মণিপুর লৈঙাক

ইকাইখুম্নজরিবা মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী অজয় কুমার ভল্লা-না

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা

ফেব্রুৱারী তাং ১০, ২০২৫ দা

থমগদবা ৱারোল

ইকাইখুম্নজরিবা মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী অজয় কুমার ভল্লা-না

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিদা

ফেব্রুৱারী তাং ১০, ২০২৫ দা

থমগদবা ৱারোল

**ইকাইখুম্নরিবা স্পীকর অমদি ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং,**

১. অহানবমক্তদা ঐহাক্না ময়াম পূম্নমকপু ১২ শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা সেসন অসিদা তরাম্না ওকচরি।

২. ঐহাক্না মেম্বর পুম্নমক্কী মফমদা, লাক্লিবা চহী অসি মহৈ য়ানবা অমদি চাওখৎপা চহী অমা ওইরসনু হায়জরি।

**লো এন্দ ওর্ডর অমদি জস্তিস দেলিভরি**

৩. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, কেন্দ্র সরকার অমদি ঐহাক্কী সরকারনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা, রাজ্য অসিদা শান্ত্রি রক্ষাগী ফিভম অসি চাওনা ফগৎলক্লে। অকক্লবা সেন্সিটিভ ওইবা মফমশিংদা তাঙনা থোকপা নত্তনা মীশি-মীনা, শোক-পনবা, মৈহৌ-লাংপোক থোকহনবা, নোংমৈ কাপ্পা, প্রোটেষ্ট তৌবনচিংবগী থবকশিং হন্থরক্লি।

৪. হৌজিক হৌজিকমক, সিঃএঃপিঃএফ কী কম্পনি ২৮৬ অমদি আর্মি অমসুং আসাম রাইফলসকী কোলম ১৩৭ অসি রাজ্যগী পুলিসকা লোয়ননা রাজ্য অসিদা শান্তি রক্ষাগী ফিভম ঙাক্কুনা থম্নবগীদমক্তা থল্লি।

৫. ঐহাক্কী সরকার অসিনা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম - হায়বদি, ভারতিয়া ন্যাই সংহিতা- ২০২৩, ভারতিয়া নাগরিক সুরক্ষা সংহিতা-২০২৩ অমসুং ভারতিয়া সাক্ষ্যা অধিনিয়ম-২০২৩ রাজ্য অসিদা মপূং ফানা পায়খৎপা হৌরে।

৬. মসিগী অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমশিং অসি পায়খৎনবা ষ্টেট লেভেল সেমিনার কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওফ মাষ্টর ত্রেনর্স পাঙথোকখ্রে অমদি ইংলিস অমদি মণিপুরী লোন্দা দাইক্লোত ভর্জন শিংসু ফোঙখ্রে।

৭. ষ্টেট এক্সন প্লান ফোর ইন্টর-ওপরেবল ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম ২.০ সু এপ্রুভ তৌরে। ঐহাক্কী সরকার অসিনা বিঃএনঃএসঃএস-২০২৩গী সেক্সন ৩৯৮কী মখাদা ৱিটনেস প্রোটেক্সন স্কীম পায়খৎনবা থৌরাংলি।

৮. তোঙান তোঙানবা পান্থৈশিংগা লোয়ননা পুলিস ফোর্সশিং অমদি মসিগী ইনফ্রাষ্ট্রক্টচরশিং অসি মোর্দনাইজ তৌনবা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনরি।

৯. ২০২৪-২৫গী মনুংদা, স্কীম ফোর স্পিসিএল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট গী পার্ট - ফাইভকী মখাদা লুপা কোটি ৭.৮২সু এপ্রুভ তৌরে। ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা ২০২৪-২০২৫গী ওইনা এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস এণ্ড য়ুনিয়ন টেরিটোরি ফোর মোর্দনাইজেসন ওফ পুলিস স্কীমগী মখাদা লুপা কোটি ৪.৮১ এল্লোকেট তৌরে।

১০. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ইং ২০২৪দা ৱার ওন ড্রগস ২.০গী খোঙথাং মখাদা, মণিপুর পুলিসনা হিরোইন কিলো ১১.৭ ফাখি। ব্রাউন সুগর কিলো ১০.২, ওপিয়ম কিলো ১৭.৫, গাঞ্জা কিলো ৬২.৯, দব্লিউৱাই টেবেট কিলো ৮২.৬, কফ সিরপ বোত্তল ১৯৫ অমসুং স্পাস্মো প্রোক্সিভোন কেপ্সুল কিলো ২.৩ সু ফাখি। ইং ২০১৭তগী হৌনা, ফারকখিবা ড্রগশিং অমদি অতোপ্পা পোৎলমশিং অসি লেকেল মার্কেটতা লুপা কোটি ৮০৫ অমদি ইন্টরনেস্নেল মার্কেটতা লুপা কোটি ৮০৫৪গী শেনফম ওইগনি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুন্না একর ৮১৬.৩ দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং মাংহনখ্রে। ইং ২০১৭তগী হৌজিকফাওবদা ফাগৎলকখিবা ড্রগ কিলো ১৭,০৮১গা লোয়ননা এসপি কেপ্সুল, এনটেন টেব্লেট, দব্লিউৱাই টেব্লেট অমদি সিউদোইফিড্রিন টেব্লেটনচিংবা সাইকোট্রোপিক টেব্লেট ১৪,৫৯,১৬৬ মাঙহনখ্রে। দিস্পোজ তৌখ্রবা সাইকোট্রোপিক

সবষ্টেন্সশিং অসি চাওরাক্লা লোকেল মার্কেটতা লুপা কোটি ৬৮ ওইগনি অমদি ইন্টরনেস্নেল মার্কেটতনা লুপা কোটি ৬৮৭ ওইগনি।

১১. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, প্রিজনগী মেনেজমেন্ট অসি ঐহাক্কী সরকার অসিনা অহোংবা পুরক্লবা খোঙথাংশিং পায়খৎলে। ই-প্রিজন্সকি থবক হৌনবা খোংথাংশিং অমদি লায়রবা প্রিজনরশিংগী স্কীমশিং পায়খৎলে।

১২. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, অনৌবা ফায়র ষ্টেসনশিং, ষ্টেট ট্রেনিং সেন্তরশিং মপাঙ্গল কলহন্নবা, অনৌবা ফায়র ষ্টেসনশিং দরকারগী মতুং ইন্না শেমগৎনবা অমদি ফগৎহন্নবগীদমক্তা লুপা কোটি ৪৫ খাক্তুনা থল্লে।

১৩. মণিপুর ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটোরি অসি ফুল-ফ্লেজেদ দাইরেক্তোরেট ওইনা ওন্থোক্লে। দিঃএনঃএঃ এনালাইসিস গুন্বা অনৌবা ফেসিলিটিশিং মথৌ পাঙথোকপা হৌহল্লে। ‘‘মোর্দনাইজেসন ওফ ফোরেন্সিক কেপাসিটিজ’’ স্কীমগী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা খুৎশূ-খুৎলাই অমদি দরকার ওইবা পোৎলমশিং লৈনবা লুপা কোটি ৬.১৬ সেঙ্কসন তৌরে। মোবাইল ফোরেন্সিক ভেন ২ লৈরে। মসিগী মথক্তা, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা লুপা কোটি ৭.৮০ চঙনা ফোরেন্সিক ভান ১২ অমসু লৈনবা এপ্রুভ তৌরে। মসিগী মনুংদা তরুক অমদি য়ৌরক্লে। পুলিস ওফিসার ৬৮সু সাইবর ফোরেন্সিক্কী লমদা ট্রেনিং পীরে অমদি পেন্দিং লৈবা কেসশিংসু য়াম্না হন্থরে। হৌজিক ফাওবদা, নার্কোটিক কেসকী চাদা ৯৯দি লোইশিনবা ঙল্লে।

১৪. মণিপুর ইন্নর লাইন পর্মিট গাইদলাইন্স (এমেন্দমেন্ট) ২০২৪ গী এমেন্দমেন্টশিং থোকখ্রে। মীয়াম্না শীজিন্নবদা লাইগদবা Mobile App অমদি কিওস্ক সেন্তরশিং আইঃএলঃপি গেটশিংদা থম্নবা খোঙথাং খুমাঙ চাওশিল্লি।

আইঃএলঃপি সিস্তেম চৎনহন্নবগী মতাংদা মতেং পাংনবা অমদি খঙহন্নবগীদমক্তা মণিপুর ষ্টেট পোপুলেসন কম্মিসন্না মথৌ তৌরি।

১৫. হন্দক্তা নৌনা খনখিবা ১০ অমদি ১১শুবা ইন্দয়ান রিজর্ব বটালিয়নগী পার্সনেলশিংসু দের্গাওন আসাম পুলিস ট্রেনিং সেন্তরদা ট্রেনিং লোইদুনা মখোয়গী মপূং ফাবা মথৌ তৌনবা থৌদাং পীখ্রে।

১৬. ৱান ইন্দিয়া, ৱান ইমর্জেন্সি নম্বর ১১২ গা লোয়ননা ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স সপ্পোর্ট সিষ্টেম মণিপুরদা মায় পাক্লা পায়খৎলে।

১৭. মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লব(এম পি এস সি)কী মায় পাকপশিংসু থাগৎনিংঙাইনি। মিস সাইখোম মিরাবাই চনু, এদিস্নেল এসঃপি, এমঃপিঃ এসঃসি না ইং ২০২৩গী স্পোর্টসষ্টার এসেসকী নুপীগী কেটাগোরিদা ‘‘ স্পোর্টসষ্টার ওফ দি ইয়ার’’ ফংলকখি। মহাক্না ২০২৪গী পেরিসকী ওলেম্পিকক্সতা নুপীগী কিলো ৪৮গী ৱেটলিফটিং কেটাগোরিদা মরিশুবা পোজিসন তাখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টিং ক্লবনা সনাগী তকমান ১০, লুপাগী তকমান ১২ অমদি শেঞ্জেংগী তকমান ৯ নেস্নেল ইভেন্টশিংদা লৌরকখি।

১৮. হৌজিক ফাওবদা ঐহাক্কী সরকার অসিনা রাজ্য অসিদা আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীওই লীশিং ১১ খঙদোক্লে অমদি লীশিং ৯ অমগী বাইওমেট্রিক দেতা লৌখৎলে। আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীওইশিংনা আধার কার্দ অমদি অতোপ্পা শক্তাক চেশিং লৌবা য়াদনবগীদমক্তা, আইনকায়না চঙশিল্লকপা মীওইশিং অদুগী বাইওমেট্রিক দেটা অদু ফোরেনর্স আইদেন্টিফিকেসন পোর্টেলদা অপলোদ তৌরে। ইং ২০২৪ দা আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীওই ১০১ ম্যান্মারদা হলহনখ্রে। লেমহৌরিবা আইন

কায়না চঙশিল্লকপা মীওই ১২৭ অদু ম্যান্মারগী ফিভম ফগৎলকপা ঙাইরগা হলহনখিনবা মফম চানা থল্লি।

১৯. মণিপুরদা লৈরিবা ইন্দো–ম্যান্মারগী কিলোমিটর ৩৯৮ শাংবা পরীং অসি ফেন্সিং খানবা ভারত সরকারনা ৱারেপখ্রে। হৌজিক ফাওবদা কিলোমিটর ১৩৩ শাংবগী পেকেজ নিপান সেঙ্কসন তৌখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্বল খাবগী থবকশিং পায়খৎলি।

২০. ঐহাক্কী সরকার অসিনা ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম অসি লৌথোক্লবা মতম কুইনদগী তক্লদুনা লাক্লি। ভারত সরকারনা ইন্দো–ম্যানমার বোর্দরদা চঙথোক–চঙশিন তৌবগী অনৌবা নিয়ম অমা শেম্লে। মসিদা কিলোমিটর ১০গী মনুংদা লৈবা ম্যানমার অমদি ভারতকী নাগরিকশিংনা অমনা অমগী লৈবাক্তা বোর্দর পার্স য়াওরগা কিলোমিটর ১০দগী হেন্না চঙবা য়ারোই। ম্যানমার নাগরিকশিংনা খুন্দাশিনবা য়াদনবা বাইওমেট্রিক্সনচিংবা তোঙান তোঙানবা ঙাক্লৌ কয়া অমা হৃপচিল্লে। রাজ্য অসিদা চঙথোক চঙশিনগী পোইন্ট তরামাথোই খনগৎলে অমদি তরা অমা ফেজ–ৱান গী মখাদা থবক তৌহল্লে। ম্যান্মার মচাশিং চঙশিল্লকপা য়েংশিন্নবা রাজ্য সরকারনা এন্ত্রি পোইন্টশিংদা পুলিস অমদি হেল্থকী ওফিসিয়েল অনি–অনি থল্লে।

২১. মে ২০২৩দগী হৌনা, ঐহাক্কী সরকার অসিনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহন্নবা কেন্দ্র সরকারগা লোয়ননা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। ইমুং ১১,৬৩১ গী ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন ৬১,৩৫৩ রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরি অমদি মীওই ৭৬০৬না মশাগী ময়ূমদা হনখ্রে।

২২. ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সগী মতেংগা লোয়ননা রাজ্য সরকারনা তোঙান তোঙানবা স্কীমশিং পায়খৎলে। রিলিফ কেম্পশিং চলাইনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা লুপা কোটি

১০১.৭৫গী অখন্নবা মতেং এপ্রুভ তৌরক্লে। ঐহাক্কী সরকার অসিনা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোটি ১৫৬.৩৫ কাইথখ্রে। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী কমপ্লিমেন্টরি নিউট্রিসন অমদি পার্সনেল হাইজিনগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনা লুপা কোটি ৮৯.২২ গী ওইবা স্কীম অমা হৌদোক্লে। ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগী লৈফমগীদমক্তা প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউস ৩,০০০ শেমদুনা শাইদাংফম ওইনবা শেন্বগী লুপা কোটি ২০৪.৯৩গী অখন্নবা পেকেজ অমা সেঙ্কসন তৌরে। প্রিফেব্রিকেতেদ হাউস্ ২৬৬০ শাবা লোয়রে অমদি মসিগী মনুংদা য়ুনিট ২৫২০দা মী লৈনরে।

২৩. লৌমীশিংগীদমক্তা কম্পেন্সেটরি পেকেজ পীননবা লুপা কোটি ৩৮.৬০কী স্কীম অমা হৌদোক্লে। মসিগী মনুংদা ফেজ ২ থোক্লা লুপা কোটি ৩১.৬৭ থাদোকখ্রে। মসিনা লৌমী ৫৫৫৫ দা কান্নবা ফংহনখ্রে।

২৪. ঐহাক্কী সরকার অসিনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই অমমম্গী ওইনা, ফিরোল অমদি মশাগী শীজিন্ননবা পোৎলমশিং লৈনবগীদমক্তা লুপা কোটি ২৩.৪৮ চঙনা মীওই অমমম্দা লুপা লীশিং ১গী মতেং পীরি। মসি হৌখিবা থা ২০ অসিদা মঙারক থোক্লা পীখ্রে অমদি ভারত সরকারনা লুপা কোটি ৫.৬৫গী শেনফম হঞ্জিল্লকখ্রে। রিলিফ কেম্পশিংগী টেলিভিজন সেটশিং লুপা কোটি ৩.৩৫ চঙনা পীথখ্রে। তোঙান তোঙানবা রিক্রুটমেন্ট একজামশিং পায়খৎনবা অমদি কম্প্যুটরগী ওইবা মহৈ মশিং পীনবগীদমক্তা হিংসানা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লুপা কোটি ১১ চঙনা, কম্প্যুটর লীশিং ১গা ১০০ থমদুনা আইটি সেন্তর তরামাথোই শেমগৎলি।

২৫. ঐহাক্কী সরকার অসিনা লাঞ্জেন্নরক্লবা মীওইশিং, মখোয়গী ময়ুম মকৈ মৈনা থাদোকখ্রবা অমদি থুগাইখ্রবশিং অদুগী ওইনা পার্মানেন্ট হাউসিং স্কীম অমা

শেমগৎলে। অহানবগী ওইনা স্কীম অসিগী মখাদা য়ূম লীশিং ৫, লুপা কোটি ৩৭৫ চঙনা শনবা পান্দম থল্লি। পক্কা য়ূমগী ওইনা অমদা লুপা লাখ ১০, সেমি পক্কাগী ওইনা লুপা লাখ ৭ অমদি কচ্চা য়ূমগী ওইনা লুপা লাখ ৫ পীদুনা শাগনি। য়ূম ৯৩১ হৌজিক শাগৎলি।

২৬. মশাগী য়ূমশিং মৈ থাদোপীখ্রবা অমদি থুগাইবিখ্রবশিং অদুগীদমক্তা মতেং ওইনা স্কীম ওইনা য়ূমথোঙ লীশিং ৬তা লাখ অমমম্ পীনবা লুপা কোটি ৩০ কাইথখ্রে। অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী ওইনা য়ূমথোঙ লীশিং ৫২৭০দা লুপা লীশিং ২৫–২৫ পীখ্রে।

২৭. শান্তি–রক্ষাগী ফিভমনা শোকহল্লবা কেন্দিদেট ৩২৬তা, কেন্দিদেট অমমমদা লুপা লীশিং ৯–৯ গী চাংদা সিভিল সার্ভিস একজামিনেসনশিংদা শরুক য়াবা য়াহন্নবগীদমক্তা এলাউৱেন্স ওইনা লুপা ২৯,৩৪০০০কী শেনফম থাদোকখ্রে।

২৮. রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারগী স্কীমশিংগী মখাদা এঠনিক ভাইওলেন্স অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী হেক পোকচবা মচা–মশূদা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী স্কিমশিংদগী লুপা লাখ ৫। ৫ গী এক্স–গ্রেসিয়া পীবা হায়না য়ানরে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী খুত্থাংদা রাজ্য সরকারগী ওইবা পীফম থোকপা শরুক অদু ভিক্তিম ২২১দা অমদি কেন্দ্র সরকারগীনা ভিক্তিম ২১০দা য়ৌহনখ্রে। কেস–কেসকী মতুং ইন্না, ইরাংসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী খ্বাইদগী নক্নবা মীওইদা, পোলিসি অমা ওইনা সরকারগী থবক পীরি।

২৯. ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংগী শেল থোকপা থবকশিং অমদি স্কীল দিভেলপমেন্টকী ট্রেনিং পীনবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং ঐহাক্কী সরকার অসিনা পীরি। মীওই লীশিং ১৫দা ট্রেনিংশিং পীখ্রে। মখোয়না পুথোকপা

পোৎলমশিং অদু লৈশিন্নবা ঐহাক্কী সরকার অসিনা চাওরাক্লা লুপা কোটি ১গুন্বা পুথোক্লে। অহল ওইরবশিং, মীরোল্লিবি, খোমজিংলিবী মমা অমদি অঙাংশিংদা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

৩০. তঙাইফদবা পোৎলমশিং, হায়বদি, চেঙ, অচা-থাও অমদি কন্সট্রক্সনগী পোৎলমশিং অসি খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসন্দা ফ্রাইট ওপরেন্সশিং হৌদোক্তুনা পুশিল্লক্লে। কোনভোইগী এক্সকোর্টকা লোয়ননা হাইৱেশিংদা অতৎ অখম লৈতনা তঙাইফদবা পোৎলম পুরক্নবা অমদি সার্ভিসশিং পীনবগীদমক্তা সেক্যুরিটিগী এরেঞ্জমেন্ট তৌখ্রে।

৩১. ইং ২০২৪দা, লেজিস্লেচরনা এক্ট ১৬ শেপ্লে অমদি ওর্দিনান্স ১ চৎনহল্লে।

৩২. তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং অসি লুপা কোটি ৩২ রোম চঙনা শেমগৎতুনা শঙ্গাখ্রে। মাউদা জেঃএমঃএফঃসি কোর্ট বিল্ডিংসু শঙ্গারে। কক্চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিংসু শঙ্গানবা শেম শারে।

## হেল্থ

৩৩. আয়ুসমান ভারত-প্রধান মন্ত্রি জন আরোগ্য যোজনাগী মখাদা, হৌজিক ফাওবদা আয়ুসমান কার্দ ৬৪৪৩৭০ শেমখ্রে অমদি কেস ২,০৬,৯৫৯ লুপা কোটি ২৮০ চঙনা লেম্না লায়েংহনখ্রে। চহী ৭০ অমদি মসিদগী হেনবা সিনিয়র সিটিজনশিং অসি স্কীম অসিগী মখাদা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরে।

৩৪. মসিগা মান্ননা, চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং স্কীমগী মখাদা, কান্নবা লৌবা য়ারবা ইমুং ১,২৪,৫০৭ পুন্না বেনিফিসরি ৩,৬৫,১৯০ এনরোল তৌরে। মীওই ২,৩৬,৫৯৭ না লুপা কোটি  ২৯১ হেনবগী শেনফমগা

লোয়ননা লেম্না লায়েংহনখ্রে। স্কীম অনি অসি পূনশিল্লগা অনা-লায়েংগী হীরমদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা ১৫রোমদা লায়েংমন পীখ্রে।

৩৫. ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিং খুদিংমক সিঃএমঃঐচঃটি কার্দ পায়বা লোয়নমক য়াহল্লে অমদি চয়োল অমগী মনুংদা হেল্থ টিমনা কেম্পশিংদা অনীরক চৎলি।

৩৬. কমপ্রিহেন্সিভ প্রাইমরি হেল্থ কিয়ার স্কীমগী মখাদা, আরোগ্য আম মন্দির ৪১৮দা পেকেজ ১২গী সার্ভিসশিং পীরি।

৩৭. ষ্টেট ওর্গান এণ্ড টিসু ট্রান্সপ্লান্টেসন ওর্গনাইজেসনস হাংদোক্লে অমদি মসিবু ১৪রকশুবা ইন্দিয়ান ওর্গান দোনেসন দে গী থৌরমদা অৱাং-নোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা নৌনা হৌগৎলক্লিবা রাজ্যগী মনাসু পীরকখ্রে।

৩৮. বিল্ডিং লৈতবা হেল্থ সব-সেন্তর ৬৪কী মনুংদা, সেন্তর ৬২দা বিল্ডিং শাবগী থবক হৌরে অমদি চহী অসিদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

৩৯. চৎলিবা পরীং অসিদা, পোকপা-শিবগী রেজিষ্ট্রেসন য়ুনিট ৩২০দা চাদা ১০০ পোকপা-শিবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা ঙল্লে। রাজ্য অসিদা আধারগা লিঙ্ক তৌবা পোকপগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী খ্বাইদগী ইহান হানবা থবক অসি থৌবাল জিল্লাদা পাঙথোক্লে।

৪০. ভারতকী টিবি কা হেন্না নাবা দিষ্ট্রিক্ট ৩৪৭তা পায়খৎপা নুমিৎ ১০০নিগী ওইবা ইন্টেন্সিফাইদ টিবি কেম্পেন অসি ইং ২০২৫গী মার্চ ২৪ ফাওবা চথগনি। মণিপুরদা হৌজিক চাওরাক্লা টিবিনা নারবা মীওই লীশিং ১,৭০০ লায়েঙলি। মণিপুরদগী জিল্লা ৬, হায়বদি, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, কক্চীং, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমদি কাঙপোকপী অসি টিবিদগী ঙাথোক্লবগী

কেম্পেন অসিগী মনুং চল্লি। লায়েংলিবা মীওইশিং অদুগী অচা-অথক্তা মচি ওইবা পোৎলমশিং য়াওবা হেনগৎহন্নবা, নিক্ষ্যে পোশন যোজনাগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা টিবি নারিবা মীওইশিংদা থা থাগী ওইনা লুপা লীশিং অমমম্ পীগনি অমদি প্রধান মন্ত্রি টিবি মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা অহেনবা মতেং ফংহন্নবগীদক্তা নিক্ষ্যে মিট্রদা লিঙ্ক তৌগনি। মসি হেক হৌদোরকপদগী, নিক্ষ্যে মিত্র নত্ত্রগা দোনর ১৭৮না রেজিষ্টর তৌরে অমদি মখোয়গী দোনেসনশিং পীরকখ্রে।

৪১. পিঃএম গটি শক্তিগা ইরোইননা মফমশিং অদুগী তোপ-তোপ্পা তঙাইফদবশিং অদু থুংহন্নবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংদা ফণ্ড থাদনবা প্রাইম মিনিষ্টর্স দিভেলপমেন্ট ইনিসিএটিভ ফোর নোর্ঠ-ইষ্ট রিজন (পিঃএম - দিভাইন) হৌদোকখ্রে। স্কীম অসিগী মখাদা ইং ২০২৪দা ফমুং ৬০ লৈবা মেন্টেল হোস্পিটাল লুপা কোটি ৭০ চঙনা শানবা, অমদি লুপা কোটি ১০৫ চঙনা চীংগী জিল্লা ৫দা সুপর স্পিসিএলিটি হেল্ঠ কিয়ার শানবা সেঙ্কসন তৌরে।

## ফাইনান্স অমদি প্লান্নিং

৪২. মণিপুরনা রিসোর্স মোবিলাইজেসন্দা খুমাঙ চাওশিন্দুনা ইং ২০১৬-১৭তা টেক্স-টু-জিএসদিপি রেসিয়ো অসি চাদা ২.৭৬ ওইরম্বদগী ইং ২০২২-২৩দা চাদা ৫.১৬তা হেনগৎহন্দুনা চাওনা অহোংবা পুরক্লে। মসি মরুওইনা রাজ্য অসিনা গুদস এণ্ড সার্ভিস টেক্স হৌদোকপা অমদি মখা তারকপদা খোমগৎপদা হেনগৎপদগীনি। গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক্তকী চাদা পাদুনা লৈরম্বা কেপিটেল আউটলেদা লৈরম্বা চাদিং অদু ইং ২০১৭-১৮দা চাদা ৫.৫৪ ওইরম্বদগী ইং ২০২২-২৩দা চাদা ৯.৭৫ দা হেনগৎলে। মসি কেপিটেল এক্সপেন্দিচর ফগৎহন্নবা অনৌবা স্কীম অমা হৌদোকপনা মতেং

পাংবনি অমসুং শেনবা চহী ২০২০-২১দগী ভারত সরকারনা শেল থাদরকপদগী ওইবা ঙন্মনি।

৪৩. রাজ্য অসিদা য়াম্না মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগী শেল থাদনবা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট ফগুশিং মায় পাক্লা লৌথবা ঙল্লে। লুপা কোটি লীশিং ৫, চামরিগা ৫০গী শেনফম ওইগদবা প্রোজেক্ট ৫ পায়খৎপগী থবক চংশিল্লি অদুগা লুপা কোটি লীশিং ৫গা চামাপনগী শেনফম ওইগদবা প্রোজেক্ট ৪ অমগা পায়খৎনবা হোৎনরি অমদি মসি চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি।

৪৪. ইং ২০২৩গী মে থাদগী হৌরকখিবা তংদু লৈতাদবা থৌদোক অসিনা রাজ্য অসি শেল-থুমগী ফিভমদা শোকহল্লে। ষ্টেটস অসি মশাগী ওইবা রেভিন্যু অসি ইং ২০২২-২৩দা লুপা কোটি ১,৮৬৭ ওইরম্বদগী ইং ২০২৩-২৪দা লুপা কোটি ১,২২৩ ওইদুনা চাদা ৩৫ তাথরে। শেনবা চহী অসিদা মমাঙগী চহীদা হেনগৎপা অদুদগী চাদা ৫ হেনগৎদুনা টেক্স কল্লেক্সন্দা ফগৎলক্লি অমদি লাক্কদৌরিবা থাশিং অসিদা হেনগৎলক্কনি হায়না পারি।

৪৫. ২০২৩গী মেদগী হৌদুনা মরুওইবা সপ্লাই লাইনশিংগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অকায়বা পীরকপনা থোক্লিবা ইনফ্লেসন অসিনা রাজ্য অসিদা চাওনা মায়োক্লনবা অৰাবা অমা পীরি। মরুওইবা সপ্লাই লাইনশিংগী ফিভম ফগলকপনা, রিটেল ইনফ্লেসন অসি হন্থরক্কনি হায়না পারি।

৪৬. তংদু লৈতাদবা অসিনা মরম ওইরগা সেক্যুরিটি অমদি মীয়ামগী রিলিফ অমদি রিহেবিলিটেসনগী থবকশিংদা অহেনবা চাদিং কয়া চঙলি। ইং ২০২২-২৩ গা য়েংনবদা, ইং ২০২৩-২৪দা সেক্যুরিটিদা থাদবা শেনফম অসি চাদা ৩১ হেনগৎলে। রিলিফ ওপরেসনশিংদা রাজ্য অসিগী লৈজরিবা রিসোর্সশিং অসি চাদিং তৌরে। মসিগী মতম অসিদা ভারত সরকারনা মতেং

পাংবিরকপা অসি ঐহাক্কী সরকার অসিনা খংঞ্জিনজৈ। রাজ্য অসিনা কেন্দ্র সরকারদগী সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা চাদিং অমসুং রিলিফ ওপরেসনশিং, য়ূম শাবা, লৌমীশিংগী কম্পেন্সেটরি পেকেজশিংনচিংবা পীবিরকখিবা ফংজরে। 'স্পিসিএল গ্রান্ট ফোর রেভিন্যু লোস' ওইনা লুপা কোটি ৫০০গী শেনফমসু রাজ্যশিনা ফংজখি। মতম চানা মতেং পীবিরকখিবা অসিনা লুরবা তাঞ্জা অসিদা রাজ্য সরকার অসিনা শেল-থুমগী অৰাবা অসি মায়োক্লবা ঙমজখিবনি।

৪৭. সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী ফণ্ডশিং মপূং ফানা শীজিন্ননবা ভারত সরকারগী পোলিসিগী তুংইন্না, থবক পায়খৎলিবা এজেন্সিশিং অদুদা ফণ্ডশিং থুনা থাদোক্লবা অমদি শীজিন্নবা মপূং ফাহন্নবা ঐহাক্কী সরকার অসিনা এসঃ এনঃএ স্পার্স মোদেল অসি পায়খৎলে।

৪৮. ইং ২০২৫গী জানুৱারী ১দগী হৌদুনা রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী দিয়ারনেস এলাউৱেন্স অসি চাদা ৩২ ওইরম্বদগী চাদা ৩৭দা হেনগৎলে। মসিনা কর্ম্মচারিশিংদা হেন্না কান্নবা পীরগনি। মতম চানা রিটাইয়রমেন্ট বেনিফিটশিংসু পীথোক্লবা হোৎনরি। সরকারগী লোয়শঙশিংদা লৈরিবা অহাংবা ফমশিং অয়াম্বা মেনশিল্লে অমসুং দরকার লৈরকপা মতমদা অদুমক মেনশিনখিগনি।

৪৯. ঐহাক্কী সরকার অসিনা রাজ্যগী মশাগী রিসোর্সশিং খোমগৎনবা মখল মখা কয়াগী লম্বীশিং থিদোক্লবা হোৎনরি অমদি রিসোর্স মোবিলাইজেসন তৌবা অমদি ফিস্কেল কোন্সোলিদেসন তৌবা হেনগৎন্দুনা শেল হেন্না থাদবা ঙম্নবদা মিৎয়েং থমগনি।

৫০. রাজ্য অসিগী ষ্টার্টঅপ অমদি ওন্ত্রেপ্রেনোরশিংদা বেঙ্ক ক্রেদিত অমদি সবসিদিশিং পীদুনা দি মণিপুর ষ্টার্টঅপ স্কীম অমসুং চিফ মিনিষ্টর্স

ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ সপ্পোর্ট স্কীম হৌদোক্লে। হৌজিক ফাওবদা, ষ্টার্টঅপ অমদি এমএসএমই ৯৫৫০ মশক খঙদোক্নুনা লুপা কোটি ৩৪৬কী শেনফম মতেং পীনবা প্রোজেক্টশিংদা পীথখ্রে।

৫১. 'সিঃএমঃইঃএসঃএস ফোর ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স' কী মখাদা, আইঃদিঃপি ৪২৬তা অপিকপা লাল্লোন ইতিক্কী থবকশিং তৌহন্নবা বেঙ্ক ক্রেদিট ওইনা লুপা লীশিং ৫০ ফাওবগী শেনফমশিং পীথরে। ষ্টার্টঅপ অমদি এমঃএসঃএমঃই ৭ খনগৎতুনা মখোয়গী লল্লোন-ইতিক্তা আইঃদিঃপি ৪৩২ থবক পীনবা খনগৎলে। আইঃদিঃপি শিং মখূৎ মশা হৈনবা অমদি থবক পীনবগী পোরম য়াৎপা হৌরে। অসিগুম্লবা মায় পাক্লবা ষ্টার্টঅপশিংদা লুপা কোটি ১গী শেনফমগী মতেং পীরগনি।

৫২. 'সিঃএমঃইঃএসঃএস – ৱান ফেমিলি ৱান লাইভলিহুড' কী মখাদা খনগৎলবা এপ্লিকান্টশিংদা বেঙ্ক ক্রেদিট ওইনা লুপা লাখ ১০ ফাওবগী শেনফম পীরগনি। মসিদা প্রোজেক্ট কোষ্ট অদুগী চাদা ৩০গী সবসিদি য়াওগনি। এপ্লিকান্ট ৭৪৫ খনগৎলে অমসুং বেঙ্ক এপ্রাইজেলগীদমক্তা থাখ্রে। 'মণিপুর ক্রেদিট গেরেন্টি স্কীম' গী মখাদা ২০২৩গী জানুৱারীদগী হৌদুনা এমঃএসঃএমঃই ২,৭৫৫দা লুপা কোটি ২০০ গী বেঙ্ক ক্রেদিট সপ্পোর্ট পীখ্রে। 'মণিপুর ভেঞ্চর ফণ্ড' গী মখাদা, ষ্টার্টঅপ বেনিফিসরি ২, লুপা কোটি ১.৫ ফাওবা শেলগী তেংবাংগী ইক্বিটিগা লোয়ননা খনগৎলে।

৫৩. প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিঞ্চায়ি যোজনা ঃ দব্লিউ-দিসি ২.০ গী মখাদা, হেক্তর ২৪ হোর্টিকলচর ক্রোপশিংগী ওইনা শেমগৎলে, ৱাটর হার্ভেষ্টিং ষ্ট্রকচর ৬৮ শেল্লে, হেক্তর ২৫দা সোইল এণ্ড মোইসচর কঞ্জার্ভেসন গী থবক পায়খৎলে, সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপ ৫৭দা সিদ মনি ওইনা লুপা লীশিং ৫০ পীরে, অমসুং, লৌউ-শিংউগী পোখোকশিং হেনগৎহন্নবা অমদি কম্যুনিটি

লাইভলিহুদ ফগৎহন্নবাগীদমক্তা জিল্লা ১৩ গী খুঙ্গং ৮০দা লৈরিবা মাইক্রো এন্টরপ্রাইজ ৩৫৪ দা লুপা লিশিং ২০। ২০ গী শেলগী মতেং পীখ্রে।

৫৪. মসিগা মান্ননা, 'ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট এণ্ড সষ্টেনেবল লাইভলিহুদ' স্কীমগী মখাদা, সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপ ২৯৬কী ৱাটর হার্ভেষ্টিং ষ্ট্রকচর ২৮ শেমগৎনবা অমদি পুন্সি মহিং তুং কোইনা শেমগৎপা ঙম্নবা, লুপা কোটি ৬কী শেনফম থাদদুনা জিল্লা ১২গী খুঙ্গং ২৪দা হেক্তর ৩২গী হোর্টিকলচর পোখোকশিং পুথোকপা মতেং পাংনবা থাদরে।

৫৫. নন্ লাপ্সেবল সেন্ত্রেল পুল ওফ রিসোর্সেস স্কীমগী মখাদা লুপা কোটি ১,৫৬০ ওইগদবা প্রোজেক্ট ১৬৭ লোইশিনখ্রে অমদি নোর্ঠ ইষ্ট স্পিসিএল দিভেলপমেন্ট স্কীমগী মখাদা লুপা কোটি ১২৪গী শেনফম ওইগদবা প্রোজেক্ট ৫ পায়খৎখ্রে। পূন্না কোটি ১৯৮ ওইগদবা, স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট, পোলোগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট, অমদি সোলার পৱার প্লান্টশিংগুম্বা অনৌবা প্রোজেক্টশিং য়াওরি।

৫৬. তমেংলোং অমদি নোনে জিল্লাদা পায়খৎলিবা হিল এরিয়া দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা টুরিজম, কন্নেক্তিভিটি, ৱাটর সপ্লাই, ইজুকেসন, হেল্থ অমদি লাইলিহুড এক্তিভিটিশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎলি। লুপা কোটি ৪৩গী প্রোজেক্ট ১৭ শেমগৎপা লোইরে অমদি অতোপ্পা প্রোজেক্ট ২২ অমনা লুপা কোটি ৪৩ চঙনা শেমগৎপা লোইশিল্লক্কদৌরে।

## ট্রাইবেল এফিয়ার্স, মাইনোরিটিজ অমসুং এসঃসি এণ্ড ওঃবিঃসি ৱেলফিয়ার

৫৭. মহৈরোই। লীশিং ৪৪, চামরিগা অহুমদি এসঃটি পোষ্ট মেট্রিক স্কোলার্সিপ নত্ত্রগা প্রি-মেট্রিক স্কোলার্সিপ ওইনা লুপা কোটি ৪৯ পীরি।

৫৮. নোর্ঠ-ইষ্টর্ন কাউন্সিল ফণ্ডিংগী মখাদা, সেনাপটি জিল্লাদা লুপা কোটি ৩.০২ চঙনা কলচরেল হোল-কম-মল্টিপরপজ বিল্ডিং অমদি উখ্রুল জিল্লাদা লুপা কোটি ২.৮৪ চঙনা তাংখুল হেদমেন্স এদমিনিষ্ট্রেসন বিল্ডিং শাগৎপা অসি মথংগী শেনবা চহীগী মনুংদা লোইশিল্লগনি পারি।

৫৯. চৎলিবা শেনবা চহী অসিদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংগী জিল্লাশিংদা লুপা কোটি ৩৫.৪৯গী শেনফম ওইগদবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অসি সংবিধানগী আর্টিকল ২৭৫(১)গী মখাদা ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফিয়ার্সনা শেল থাদদুনা পায়খৎলি।

৬০. স্কীল ট্রেনিং পীনবা ইকোনোমিক এণ্ড স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলি অমদি পোৎলম ওইনা মতেং পাংলি। লুপা কোটি ২.৬৮গী শেনফম ওইগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা বেনিফিসরি ১,৮০০ কান্নবা পীরগনি। মসিদা আইদিপি ৯০০ য়াওনা মাইনোরিটি কম্যুনিটি, ওবিসি অমদি এসসি কেতাগোরিগী মীওইশিং য়াওরি।

৬১. ইং ২০২৪-২৫দা, রাজ্যগী মেচিং সিয়ার লুপা কোটি ৫.৫৬ য়াওনা লুপা কোটি ৫০ অসি প্রধান মন্ত্রি জন বিকাস কার্যক্রমগী মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা থাদোকখ্রে। সদভাবনা মান্দপ ৪ অমদি কম্মন সর্ভিস সেন্তর ১গী মনুংদা, সদভাবনা ৰান্দপ ৩৮ অমদি কম্মন সার্ভিস সেন্তর ১ শেমগৎপা লোইশিল্লে। উখ্রুল, চান্দেল অমদি তমেংলোং জিল্লাদা লেমহৌরিবা সদভাবনা মান্দপ ৩ অদুসু লোইশিল্লক্কদৌরে। চান্দেলদা ৱার্কিং ৱিমেন হোষ্টেল ১ অমদি চান্দেল, তমেংলোং, উখ্রুল, তেংনৌপল, কাংপোকপী, সেনাপতি অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লাশিংদা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুল ৯ শাবা লোইশিল্লে।

৬২. থুনা য়াঙনা থৌগাই থৌরম পাঙথোকপা ঙম্নবা রাজ্য অসিগী জিল্লা ১৩ দা পিঃএমঃজঃভিঃকে গী মখাদা শারিবা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুলশিং অসি চিফ সেক্রেটরিনা চিয়ারমেনগী থৌদাং লৌবা মণিপুর মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুলস সোসাইটি কৌবা রেজিষ্টর তৌরবা সোসাইটি অমদা শীন্নরে।

৬৩. সাসসি স্কীমগী মখাদা, সেনাপতি জিল্লাগী মরামদা ফমুং ৫০ য়াওবা বোইজ হোষ্টেল, ফমুং য়াঙ্খে য়াওবা গার্লস হোষ্টেল, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিল্লাগী সরিটা বোক্সিং একাদেমিদা নুপামচাগী ফমুং ৫০ য়াওবা হোষ্টেল, নুপীমচাগী ফমুং ৫০ য়াওবা হোষ্টেল, সেনাপতিদা ইন্দিজিনস স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমদি লিল্লোংদা হজ হাউস অসি লোইশিল্লকপগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্কক্তা লৈরে।

৬৪. স্পিসিএল সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স টু সেদ্যুল্ড কাষ্ট সব প্লানগী মখাদা, লুপা কোটি ২১.৯৫ অসি এপ্রুভ তৌরে। মসিগী মনুংদা, ইন্টরভেন্সন ফোর ইনকম জেনেরেসন, স্কীল দিভেলপমেন্ট অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং য়াওরি। ইং ২০২৪-২৫গী মনুংদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী খুরখুল মখা অৰাং লৈকাই অমদি খারম কোইরেং অমসুং বিষ্ণুপুরগী নোংমাইখোংদা কম্যুনিটি হোল ও-কম-মার্কেট সেদশিং শানবা লুপা কোটি ১.৪৩ থাদোকখ্রে।

৬৫. ইং ২০২৩-২৪দা ওবিসি অমদি এসসি মহৈরোয় লীশিং ২৬,৬৪৫ চাতরুক্কা নিফুমঙাদা লুপা কোটি ১৮.২৬কী স্কোলার্সিপ পীখ্রে। একাদেমিক সেসন ২০২৪-২৫গী ওইনা, নেস্নেল স্কোলার্সিপ পোর্টেলগী মখাদা স্কোলার্সিপ এপ্লিকেসনশিং স্ক্রুটিনি তৌবগী থবক চথরি।

৬৬. কন্সট্রক্সন ওফ হোষ্টেল ফোর ওবিসি বোইজ এণ্ড গার্লস কী মখাদা, কেবোল হাই স্কুল, জিপি ৱিমেন্স কলেজ অমদি লিবরেল কলেজদা ফমুং ১০০ য়াওবা নুপীমচাশিংগী হোষ্টেল ৩ অমসুং হৈঙাং হাই স্কুলদা নুপামচাশিংগী

ফমুং ১০০ য়াওবা হোষ্টেল, ইং ২০২৪–২৫দা শেন্না লোইরে। সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা নুপামচাশিংগী ফমুং ১০০ য়াওবা হোষ্টেল ২ শেমগৎলি।

## ফুদ সেক্যুরিটি

৬৭. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা বেনিফিসরি খুদিংমক্তা লেম্না চেঙ ফংহল্লে। মসিগী খুদোংচাবা অসি ভারত সরকারনা ইং ২০২৮গী দিসেম্বরগী তাং ৩১ ফাওবা পীনবা মতম শাংদোকখ্রে।

৬৮. ইং ২০২৪–২৫গী ওইনা রিলিফ কেম্পশিংদা দরকার মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা পেমেন্ট পীরগা য়েন্থোক্লবা ওঃএমঃএসঃএস (দি) গী মখাদা চেঙ পীথনবা ভারত সরকারনা অয়াবসু পীরক্লে। নফসাগী মখাদা লোকেল ফৌশিং লৈরগা য়েন্থোক্লবগীদমক্তা, পূংদা মেট্রিক টন ২গী কেপাসিটি লৈবা রাইস মিল অমা লুপা কোটি ১৩.৪৭ চঙনা শেমগৎলি।

৬৯. উজ্বালা ১.০ অমদি উজ্বালা ২.০ গী মখাদা বেনিফিসরি ২,২৪,৯৯৯ না কান্নবা ফংখ্রে।

## ইডুকেসন

৭০. নেস্নেল ইডুকেসন পোলিসি, ২০২০গী মখা ইন্দুনা চত্থরকপনা, ইং ২০২২–২৩গী একাদেমিক সেসন্দগী মণিপুরদা লৈরিবা কলেজশিংদা হৌদুনা চহী ৪গী অন্দরগ্রেজুএট প্রোগ্রাম, চোইস বেজ ক্রেদিট সিষ্টেমগা লোয়ননা হৌদোক্লে।

৭১. সরকারগী অমদি সরকারনা মতেং পীদুনা লৈবা মণিপুরগী কলেজ ৫১গী মনুংদা ৪১দি নেস্নেল এসেসমেন্ট এণ্ড এক্রেদিটেসন কাউন্সীলগী মখাদা এক্রিদেট তৌরে।

৭২. চিফ মিনিষ্টর্স এৱার্দ ফোর ইজুকেস্নেল এক্সেলেন্স অসি হৌদোক্কুনা সরকার অমদি সরকারনা মতেং পীদুনা লৈবা মণিপুরগী খ্বাইদগী ফবা কলেজ ৮দা পীরগনি।

৭৩. হায়র ইজুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী দিসপ্লেস ওইরবা মহৈরোয়শিং মতেং ওইনবা, চিফ মিনিষ্টর্স কলেজ ষ্টুদেন্টস রিহেবিলিটেসন স্কীম ইং ২০২৩ দা হৌদোক্লে। ইং ২০২৩-২৪ দা মহৈরোয় ৯৮৮না স্কীম অসিদগী কান্নবা ফংখ্রে অমদি মসি ২০২৪-২৫দসু অদুমক চত্থরি।

৭৪. কলেজ ফগৎহনসি মিসন অসি কলেজশিংবু লেবোরেটরি, কম্প্যুটর অমদি ফর্নিচরশিং পীবগা লোয়ননা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবা হৌখিবনি। কলেজ অমদা লুপা কোটি ২.৫ চঙনা সরকারগী কলেজ ২৫দা ক্লাসরুম ব্লোকশিং শেমগৎলি।

৭৫. প্রধান মন্ত্রি উচ্চটর সিক্ষা অভিয়ান (পি এম – উশা) গী মখাদা, মণিপুরগী কলেজশিংবু লাক্লিবা চহী অহুম অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি রিসোর্সশিং শেমগৎনবা লুপা কোটি ৮৫ এপ্রুভ তৌরে।

৭৬. চহী খুদিংগী সিভিল সার্ভিস পরিক্ষা থাবা পান্বা মীওই ২০০গী ওইনা চিফ মিনিষ্টর্স স্কোলার্সিপ স্কীম ফোর সিভিল সার্ভিসেস এসপিরেন্টস্ চত্থরি। চহী অমমম্গী ওসনা লুপা কোটি ২.৮০ খাল্লি। দেল্লিদগী ফেকলটিশিং ইম্ফালদা থল্লি অমদি রোটেস্নেল বেসিসতা খনগৎলবা মহৈরোয়শিংগী ফিজিকেল ক্লাসশিং পাঙথোক্লবা লৈহল্লি।

৭৭. অরান অহুই য়াওদনবা, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিনা ড্রিল বিট সোফৱের পায়খৎতুনা প্লেগারিজম চত্থদনবা হোৎনরি। মালভিয়া মিসন টিচর ট্রেনিং প্রোগ্রামগী মখাদা, নিপা দেল্লিগা খুৎশম্নরগা ওঝা ১০০ নুমিৎ ১০ নিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পীনবা চত্থগনি।

৭৮. পিএম-দিভাইন স্কীম গী মখাদা, ভারত সরকারনা লুপা কোটি ৭০ চঙনা 'ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট ফোর ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি' গী রিকমেন্দেসন থবক্তা ওন্থোক্লবা য়াবিরক্লে। সিভিল এঞ্জিনিয়ারিং দিপাটমেন্ট অমদি ইলেক্ত্রিকেল এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী বিল্ডিং ২ শাগৎনবা 'ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট ওফ মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি' স্কীম অসিগী মখাদা লুপা কোটি ৫৪.১৬ চঙনা পায়খৎপা হৌরে।

৭৯. মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিনা মসিগী কেম্পসতা ওফলাইন ক্লাসশিং চাঙ নাইনা পায়খৎলি অমদি মতমসিগী ওইরিবা ফিভমনা ওফলাইন ক্লাসশিং য়াওবা ঙমদবা মহৈরোইশিংগী ওইনা ওনলাইন ক্লাসশিং পায়খৎলি।

৮০. সরকারগী ওঝাশিং হেন্না পূক্নিং থৌগৎনবা অমদি মগুণ হাপকৎনবা, চিফ মিনিষ্টরস টিচর এচিভমেন্ট এৱার্দ হৌদোক্লে।

৮১. দি ষ্টেট কম্পিটিটিভ স্কোলার্সিপ ফোর ষ্টুদেন্টস অসি ইং ২০২৪-২৫দগীদি ক্লাস থ্রি পাস তৌবা ফাওবদা শাংদোক্লে অমদি ক্লাস ফাইভ অমদি ক্লাস আইট পাস তৌবগী মশীং অসি হেনগৎলক্লে।

৮২. প্রোফেস্নেল কোর্সশিংগী ওইনা চিফ মিনিষ্টর্স কোচিং স্কীম ফোর এন্ট্রান্স একজামিনেসন অসি, খনগৎলবা মহৈরোয় ৩০। ৩০ দা ইঞ্জিনিয়ারিং কোর্সকী জোইন্ট এন্ট্রান্স একজামিনেসন অমদি মেদিকেল কোর্সশিংদা মিং চন্নবা নেস্নেল এলিজিবিলিটি কম এন্ট্রান্স টেষ্টশিংদা লেম্না কোচিং পীনবা হৌদোকপনি।

৮৩. ইং ২০১৯দা স্কুল ফগৎহনসি মিসন হৌদোকপদগী, পব্লিক একজামিনেসনশিংদা মশক থোক্লা ফগৎলকপা উরে। হাই স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট পাস তৌবগী চাং অসি ২০২৪গী ওইনা চাদা ৮৪.৩৪দা হেনগৎলকখি অমদি হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন - ২০২৪কী পাস

তৌবগী চাং অসিনা চাদা ৯৫.৪৯ দা হেনগৎলে। ২০২৪গী হায়র সেকেণ্ডরি একজামিনেসন্দা,কম্মর্স ষ্ট্রিমগী ফাষ্ট অমসি সেকেণ্ড তাবা অমসুং আর্টস ষ্ট্রিমগী সেকেণ্ড পোজিসন লৌরকখিবা অসি সরকারগী স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা ওইখি। 'নো য়োর মণিপুর' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপাননাইদ্রবা মহৈরোল, মশেক-মঙাল লৈরবা চৎনবী অমদি মণিপুরগী তোপ-তোপ্পা মশক অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা ফোঙখিবনি।

৮৪. ঐহাক্কী সরকার অসিনা সরকারগী অমদি সরকারনা মতেং পীরগা লৈবা কলেজশিং অসিগী ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিং নুংতিগী 'এসেমব্লি' তৌনবা য়াথং পীখিবনা কলেজশিং অসিদা মহৈরোয়শিং কারকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে। এসেমব্লি অদুদা 'থোট ফোর দি দে' হায়বা, মতম মতমগী ওইবা টোপিকশিংদা মহৈরোয় অমদি ওঝাশিংনা পীবা ৱারোল, জাতিগী ঈশৈ অমদি রাজ্যগী ঈশৈ শকপা য়াওরি।

## পৱার সেক্তর

৮৫. ঐহাক্কী সরকার অসিনা রাজ্য অসিগী অর্ব্বান মফমশিংদা চয়োল চুপ্পা পূং ২৪ মৈ পীনবা অমদি রুরেল এরিয়াশিংদা নোংমদা পূং ২৩ মৈ পীনবা পান্দম থল্লি। রাজ্য অসিদা দরকার ওইরিবা মৈগী চাং অসি মিলিয়ন য়ুনিট ৭৭৫নি অমদি পিক মতমদা দরকার ওইরিবসিনা মেগাৱাট ২৭৬নি। মসি তোঙান তোঙানবা গেনেরেটিং পৱার প্লান্টশিং অমদি ইন্দিয়ান এনর্জি এক্সচেঞ্জদগী লৈদুনা ফংহল্লি।

৮৬. রাজ্যগী মরুওইবা মফমশিংদা মৈ ঙালহন্নবগীদমক্তা, রাজ্য শীনবা থুংনা হাই মাষ্ট ৭৪ য়ুংখৎলে অমদি অতোপ্পা হাই মাষ্ট ৪০ অমগা য়ুংখৎনবা থবক চথরি।

৮৭. কঞ্জুমরশিংগী অপেন পেন্দা ফগৎহন্নবা, য়ুনিফাইদ বিল্লিং সিষ্টেম হৌদোক্লে।

৮৮. এঃটি এণ্ড সি লোস অসি ইং ২০২৩-২৪গী ওইনা চাদা ১৫.০৯নি। মসি ইং ২০২৪-২৫গী রিভাম্প দিষ্ট্রিব্যুসন সেক্তর স্কীমগী মখাদা চাদা ১২দগী ১৫ ফাওবা ওইহনগনি পান্দম থমখিবা অদু মায় পাক্লবনি।

৮৯. ইং ২০২৫-২৬ ফাওবদা, ক্বালিটি লৈবা, থাজবা লৈবা অমদি কঞ্জুমরশিংনা হোংনা শীজিন্নবা ঙম্বা পৱার সপ্লাই পায়খৎনবগীদমক গ্রোস বজেটরি সপ্পোর্ট ওইনা লুপা কোটি ৩৯৮.৬৭কা লোয়ননা লুপা কোটি ৫২০.৬১গী শেনফমগী ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ রিভাম্প দিষ্ট্রিব্যুসন সেক্তর স্কীম (আর দি এস এস) মণিপুর সেঙ্কসন তৌরে।

৯০. গ্রোস বজেটরি লুপা কোটি ১৯০.১৪গা লোয়ননা রাজ্য অসিদা মৈ পুশিন্দবা য়ূমশিংদা লুপা কোটি ২২৪.৮৯ চঙনা মৈ পীনবা সেঙ্কসন তৌরে।

৯১. সোলার রুফটোপ কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা, রাজ্য অসিগী রেসিদেন্সিএল কঞ্জুমরশিংদা ওন-গ্রিদ সোলার রুফ টোপ সিষ্টেম পান্নবা পিএম সুর্যা ঘর মুফট বিজলি যোজনা হৌদোক্লে। সোলর রুফ টোপ পান্নবা কঞ্জুমর ২,৬৫৩ রেজিষ্টর তৌরে অমদি এপ্লিকেসন ৬২০ লাক্লে। মসিগী মনুংদা সিষ্টেম ১০৪ কম্মিসন তৌরে। এনঃইঃএসঃআইঃদিঃএস কী মখাদা, ১৩২/৩৩ কেভি ইলাংখাংপোকপী পৱার সব-ষ্টেসনদা কিলোৱাট ৬০০কী গ্রিদ কন্নেক্তেদ এসপিভি পৱার প্লান্ট অমা শেম্নবা, ১৩২/৩৩ কেভি কক্চীং পৱার সব-ষ্টেসনদা কিলোৱাট ৮০০গী এসপিভি পৱার প্লান্ট, অমসুং চাদোং চীং ময়াদা লৈবা থৌবাল মল্টিপপর্জ প্রোজেক্ট রিজার্ভরদা মেগা ৱাট ৫গী ফ্লোটিং গ্রিদ কন্নেক্তেদ সোলার পৱার প্লান্ট অমা শেম্নবা লুপা কোটি ৩৩.৩৯ সেঙ্কসন তৌরে

৯২. মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মীওইশিংদা গ্রিদ পৱারশিং ফংহন্নবা অনৌবা ট্রান্সমিসন প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা হৌরে।

৯৩. হৌজিক হৌজিকমক, মেগা ভোল্ট এমপিয়ার ১৮৬.৩ গী অপূনবা কেপাসিটি লৈবা অনৌবা ৩৩। ১১ কেভি সবষ্টেসন ১৯ অমসুং পূন্না মেগা ভোল্ট এমপিয়ার ৬০গী কেপাসিটি লৈবা অনৌবা ১৩২। ৩৩ কেভি সবষ্টেসন অনি শেমগৎলি। লাক্কদৌরিবা চহী মঙা অসিদা ট্রান্সমিসন কেপাসিটি শরুক অনী হেনগৎহন্নবা রাজ্য অসিগী কেভি ১৩২গী রিং মেন দবল সার্কিট অমদি ইম্ফাল এরিয়াগী কেভি ৩৩গী ট্রান্সমিসন লাইনশিং সপ্লায়িং পৱার অসি হাই টেম্পরেচর লো সেগ কন্দক্তরশিংনা শিন্দোক্লি।

## এগ্রিকলচরেল এন্দ এলাইদ এক্তিভিটিজ এন্দ নেচরেল রিসোর্সেস

৯৪. পিএম-কিষাণগী মখাদা লৌমী লাখ ৬.২০ মিং চল্লে অমদি হৌজিক ফাওবদা লুপা কোটি ৮৫৩ থাদোকখ্রে।

৯৫. আরকেভিৱাই-রফটারগী মখাদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসতা অটমাগী পর্মানেন্ট বিল্ডিং অমা লুপা কোটি ১.২ চঙনা শেমগৎপা হৌরে। লুপা কোটি ৫.৫০ চঙনা মীওই ৫০ ফমবা য়াবা এগ্রো মার্কেট সেদ ২২ শেমগৎলে।

৯৬. পিএমকেএসৱাই-পর দ্রোপ মোর ক্রোপকী মখাদা, স্মোল এণ্ড মার্জিনেল ফার্মর ১৪৫০দা লম হেক্তর ১,৪৫০দা অহেনবা ইরিগেসন পীননবা, ৱাটর পম্প য়াওবা স্প্রীঙ্কলর সেট লৈনবা শেলগী মতেং পীখ্রে।

৯৭. লম হেক্তর ১০,১০০দা মাইক্রো নিউট্রিয়েন্টশিং য়েন্থোক্নবা সোইল হেল্থ কার্দ লীশিং ১০ য়েন্থোকখ্রে।

৯৮. ভেল্যু এদিসন লিঙ্ক প্রদক্সন প্রোজেক্টকী মখাদা, লৌমী ১১৮দা নেপসেক স্প্রেয়র অমদি পৱার স্প্রেয়র ১,৯০০ লৈনবা শেলগী মতেং পীখ্রে।

৯৯. প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা যোজনাগী মখাদা, ইং ২০২৪গী খারিফকী মতমদা লৌমী ৪৫৮৮তা রেজিষ্টর তৌরকখি। ইং ২০২৩-২৪গী রবি সিজন্দা, লম হেক্তর ৪৩৪ মুক কোনবা মফমগী লৌমী ৪৯৬ না এনরোল তৌরকখি।

১০০. সব মিসন ওন এগ্রিকলচর মেকানাইজেসনগী মখাদা, লনাই লৌ উজবা মীওই ৪৫৬তা ফার্মগী মেচিনরি অমদি পোৎলমশিং লৈনবা শেলগী মতেং পীখি অমদি গ্রুপ ৫২দা 'এষ্টাব্লিসমেন্ট ওফ ফার্ম মেছিনরি বেঙ্ক এণ্ড কষ্টম হায়রিং সার্ভিস সেন্তর' লীংখৎনবসু শেলগী মতেং পীখি।

১০১. ইং ২০২৪-২৫দা পায়খৎপা, ইং ২০২৩-২৪গী নেস্নেল মিসন ওন ইদিবল ওইল - ওইলসিদস কী মখাদা বেনিফিসরি ২,৬৩৩না কান্নবা পীখি।

১০২. নেস্নেল মিসন ওন ইদিবল ওইল এণ্ড ওইল পাল্ম গী মখাদা, এনুএল এক্সন প্লান ফোর ২০২৩-২৪ অমসুং ২০২৪-২৫ অসি হেক্তর ১,২০০দগী হেক্তর ১,৫০০ ফাওবা মথংশিংনা হেনগৎনবা এপ্রুভ তৌরকখ্রে। পোৎলমশিং থানবা অমদি প্রোসেসিং প্লান্টশিং থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিল্লাশিংদা থন্নবা মফমশিং থিদোকপগী থবকশিং পায়খৎলি।

১০৩. সেন্ত্রেল স্কীম মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভেলপমেন্ট ফোর নোর্থইষ্ট রিজনগী মখাদা শেন্বা ফার্মর প্রোদ্যুসর কম্পনিজ লিমিটেদশিংনা চাকহাও মেট্রিক টন ৪০০ রাজ্য অসিগী ৱাংমদা থাদোক্তুনা লৌমীশিংগী লুপা কোটি ২.২ রেভিন্যু লাকহনবা ঙম্লে। মসিগী মথক্তা, রাজ্য অসিগী ৱাংমদা লৈবা ফার্ম অমনা হেক্তর ৫০ হেনবদা থারিবা চিয়া সিদশিং অসি লৈদুনা ইং

২০২৫দা লুপা লাখ ৫০গী ইনকম অমা শেমগৎহনবা ঙমহল্লগনি হায়না পারি।

১০৪. এনঃইঃসি গী ‘প্রমোসন ওফ স্মোলহেল্ডর্স ভেল্যু চেন সিষ্টেম ফোর কিৱি কল্টিভেসন ইন মণিপুর’ প্রোজেক্টকী মখাদা, কিৱি থাবগী লম অসি সেনাপতি অমদি উখ্রুল জিল্লাদা লম হেক্তর ৯০দা পাকথোক চাউথোকহনখ্রে। ট্রি বিন অমদি তমেংলোং কোমলা থাবগী থবক অসি মথংশিংনা হেক্তর ৩৭ অমদি হেক্তর ১৫২দা এনঃইঃসি গী ফণ্ডিং মখাদা পাকথোক চাউথোকহল্লে।

১০৫. ‘মার্কেট ইন্টরভেন্সন’ স্কীমগী মখাদা, লেন তাবনা মরম ওইরগা মখোয়গী লৌরোক মাঙহন তাকহনখ্রবা, মশক খঙদোক্লবা লৌমী ১,০০৬তা লুপা কোটি ১ য়েন্থোকখ্রে।

১০৬. ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদি প্রকৃটিগী য়ৈখায় থিনখায়বা অসিনা শোকহল্লবা লৌমী ৩,৬০৯দা মগুণ লৈবা এঙ্গাং–নাপীগী মরূ মরাং অমদি থানবগী পোৎলমশিং পীদুনা মতেং পাংনবা কন্টিগেন্সি প্লান অমা শেম্লে। ‘ইনিসিএটিভ ফোর লাইভলিহুদ রিভাইভেল ওফ অনএমপ্লোইদ য়ুঠস এণ্ড ফার্মর্স’ কী মখাদা, স্মোল অমদি মার্জিনেল ফার্মর অমসুং রাজ্য অসিদা থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা অসিনা শোকহল্লবা থবক ফংদ্রিবা নহা, পুন্না মীওই ৩,৭৬১দা রবি সিদশিং য়েন্থোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসিনা রবি সিজন অসিদা মনা মশিং থাবা য়াবা চাওরাক্লা লম হেক্তর ৪৭০ কোনশিনগদৌরি।

১০৭. সাসচি স্কীমগী মখাদা, বিষ্ণুপুর জিল্লাগী নারানসৈনা, সেনাপটি জিল্লাগী মকুইলোংদি, উখ্রুল জিল্লাগী লুংহার অমসুং পাউরৈদা কোল্ড ষ্টোরেজ য়ুনিট ৫ শেম্নবা হোৎনরি অমদি জিরিবামদা লৈবা লমলেনখুন্দা প্রোজেনি ওচার্দ কম নর্সরি ফার্ম শেমগৎনবা থৌরাংলি।

১০৮. মিসন ফোর ইন্টিগ্রেটিদ দিভেলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগী মখাদা, অনৌবা বনানা টিসু কলচর প্লান্টেসনগী হেক্তর ১০০ য়াওনা হাইব্রিদ ভেজিটেবল সিদশিং য়েন্থোক্লুনা হেক্তর ১,৪২০ কোনশিল্লে। মসিগী মথক্তা, পোষ্ট হার্ভেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতেং পাংনবা ইন্দিভিজুএল ৱাটর ষ্টোরেজ ওইনা ফার্ম পোণ্ড ১৬০ অমসুহ পেক্ট হাউস ওইনা ৭৫ শেমখ্রে।

১০৯. ভেটিরিনরি সার্ভিসশিং য়ূমথোঙ য়ৌনা ফংহন্নবা, মোবাইল ভেটিরিনরি এমব্যুলেন্স ৩৩ অমসুং টোল-ফ্রি কোল সেন্তরশিং হৌদোকখ্রে। ইং ২০২৪গী জুলাইদগী হৌদোক্লুনা দিসেম্বর ফাওবা কোল মশিং ২,১৯১ লাকখি অমদি হকথেংনবা কোল ১,৬৩২ শিং ওকখি অমদি কেস ৫৫৯না কোল তৌনা তৌনা তান্নখি।

১১০. পোনিগী মপূশিংদা সরকারনা হকথেংননা মতেং পীনবগীদমক্তা, মণিপুরী পোনিশিংগী রেজিষ্ট্রেসন অসি মণিপুরী পোনি কঞ্জার্ভেসন এণ্ড দিভেলপমেন্ট পোলিসিগী মখাদা পায়খৎপা হৌরে।

১১১. পোলট্রি বর্দশিং য়াওনা শা-ঙা স্পীসিস ১৬কী দেটা কল্লেক্ট তৌনবা ২১শুবা লাইভষ্টোক সেন্সস, ২০২৪ হৌদোকখ্রে। লাইভষ্টোক ইন্সুরেন্স অসিনা লৈরিবা রিস্ক অমদি ওইহন্নিংদবা থৌদোক ওইরকপদগী ঙাকথোক্লবা লিংখৎলে। মমাঙ চহীদা রেবিজগী লাইনা চত্থরকপা অসি খুদক্তা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি।

১১২. মণিপুরদা লৈরিবা শঙ্গোমগী পোত্থোকশিং অমদি শঙ্গোম পুথোক্লিবা অসিবু মপাঙ্গল কলহন্নবাা মণিপুর মিল্ক প্রোদ্যুর্স কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন লিমিটেদ অসি নেস্নেল দাইরি দিভেলপমেন্ট বোর্দতা ওনখৎনবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং সহি তৌনখ্রে।

১১৩. প্রধান মন্ত্রি মৎস্য শম্পাদা যোজনাগী মখাদা, ইং ২০২৪-২৫দা তোঙান তোঙানবা ফিন ফিস হেটচরিশিং, রিয়ারিং পোণ্ড, গ্রো আউট পোণ্ড, অনৌবা পোণ্ড, কেজ ইন রিজরভরশিং, বাইফ্লোক কলচর সিস্টেমনচিংবা শেমগৎতুনা ঙাক্মী ২,৬২৪দা কান্নবা ফংহনখ্রে।

১১৪. দিমাগু লৈরিবা মেট্রিক টন ৬৭,৫০০ গী মনুংদা চহীগী ওইনা ঙাগী পোখোক অসি মেট্রিক টন ৪৫,০০০ পুথোক্তুনা মপান লমদগী ঙা পুশিল্লকপগী চাদিংদা চঙবা শেনফম অদুগী মনুংদা লুপা কোটি ৩ হন্থহনবা ঙল্লে।

১১৫. চহী অসিদা, মণিপুরনা ঐটিহাসিক ওইবা মওংদা ভারতকী খ্বাইদগী অহানবা ওইনা সাইন্টিফিক ওইবা লময়ানবা অমা ওইনা, মণিপুরগী খ্বাইদগী পাম্না চানরিবা সরেং হায়বা ঙা অসিগী ঙা মচা পুথোকপা ঙল্লে। সরেংগী রিভাইভেল প্রোজেক্ট অসিনা মাঙখিগদৌরবা ঐখোয়গী হান্না লৈজরম্বা ঙাশিং কনবদা হেন্না ইনোৎ হাপ্পগনি।

১১৬. লুপা কোটি ১৪৫ চঙনা লোক্তোক পাৎকী ইকোলোজি ঙাক্না অমদি মফমদু অতোপ্পনা লৌশিন্দনবা, নেস্নেল প্লান ফোর কঞ্জভেসন ওফ এক্লাটিক ইকোসিস্টেমগী মখাদা 'ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লান ফোর ৱাইজ ইউজ ওফ লোক্তাক লেক' প্রোজেক্ট এপ্রুভ তৌরকখ্রে।

১১৭. নেস্নেল রিভর কনজরভেসন প্লান গী মখাদা, নম্বুল তুরেল কন্নবা অমদি ফগৎহন্নবা থবকশিং পায়খৎলে। ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী দ্রেন ৭২দগী ফত্তা-হৌথী অসি হৈরাঙ্গোই থোং মাইবম লৈকাই অমদি ইরোইশেম্বা গী সিৱরেজ প্লান্ট অনীদা শেঙদোক্লবা শীল্লে। ইম্ফাল-মণিপুর তুরেল ফগৎহন্নবা অমদি কন্ননবগীদমক্তা লুপা কোটি ১০ সেঙ্কসন তৌরক্লে।

১১৮. ক্লাইমেট চেঞ্জ এদাপ্টেসপ প্রোগ্রামগী মখাদা, তুরেলশিংগী ই-ফ্লো অমদি ৱাটর সেক্যুরিটি অসি ফগৎহন্নবা, ক্লাইমেট রেজিলেন্ট স্প্রিং সেদ মেনেজমেন্ট অসি অহানবা ওইনা উখ্রুল জিল্লাগী লুংহার খুঙ্গংদা পায়খৎলে অমদি অতোপ্পা জিল্লাশিংগী খুঙ্গং ১০ দা পায়খৎনবা শীল্লি।

১১৯. ঈতুংফম ৭ অমসু দি ৱেটলেণ্ড (কঞ্জরভেসনএণ্ড মেনেজমেন্ট)রুলস, ২০১৭ কী মতুং ইন্না খন্দোক্লে। ইং ২০২২দগী হৌদুনা য়ারল পাৎ, উত্ত্রা পাৎ অমসুং জৈমেং পাৎতা চাদা ৫০ লোইশিন্দুনা লুপা কোটি ৭৬.৬০কী শেনফম ওইগদবা প্রোজেক্টশিং লোইশিলক্লে।

১২০. ‘‘এক পেড় মা কে নাম’ হায়বা ইকাইখুম্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিনা ইং ২০২৪-২৫ দা হৌদোকপীখিবা অদুগী মখাদা, পান্বী মচা লাখ ৪০ হেন্না থাম্খ্রে অমদি ইং ২০২৫গী মার্চ থাগী তাং ৩১ ফাওবদা লাখ ৫০ থানবা পান্দম থল্লি।

১২১. পাক্তননা উ থাবা অসি হৌখিবা চহী ৭ অসিদা পাঙথোকপনা উগী মশীং অসি চাদা ৩০ হেনগৎহনবা ঙম্লে।

## ৱাটর রিছোসেস এন্দ মেনেজমেন্ট

১২২. লম হেক্তর ১৭,৪০০ দা ইরিগেসন পীবগী পোতেনসিয়েল লৈরিবা লোক্তাক লিফ ইরিগেসন প্রোজেক্ট নৌহৌননা শেমগৎনবা এক্সটেন্সন রিনোভেসন এন্দ মোর্ডনাইজেসন গী মখাদা লুপা কোটি ৮১.৫৯ চংনা থবক পায়খৎলে। হৌজিক ফাওবদা থবক অসিগী ফিজেকেল প্রোগ্রেস অসি চাদ ৭৯.৩২ য়ৌদুনা হেক্তর ১৫,২১০ দা ইরিগেসন পীবগী পোটেনসিয়েল অদু নৌহৌননা লৈহল্লে।

১২৩. দাম রিহেবিলিটেসন এন্দ ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্টকী মখাদা, শেমগৎ শাগৎনবা, ফগৎহন্নবা অমদি মপূং ওইনা তুং কোইনা চৎননবা দাম অমদি বেরেজ ওপরেসনগীদমক্তা প্রোজেক্ট ৫ লুপা কোটি ৩১১ চঙনা পায়খৎলে। সিংদা দাম অমদি ইন্ফাল বেরেজ অসি শেমগৎপা শাগৎপা অমদি ফগৎহন্নবগী থবক অসি মথংশিংনা চাদা ৬৮.১২ অমদি ৪২.৪০ লৌশিল্লে অমদি ইং ২০২৬কী দিসেম্বর ফাওবদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

১২৪. ইং ২০২৪–২৫ দা সাইক্লোন রিমাল অমদি কা হেন্না চুখিবা কুমগী নোংনা মরম ওইরগা, মণিপুরদা অচৌবা ঈচাউ অহুল্লক থোকখি। অমসুং মদুনা চাওনা অমাং অতা থোকহনখি অমদি লৈফম চাফম হোংদোক হোংজিন তৌহনখি। ঈচাউ থেংননবা 'ক্রিটিকেল ফ্লদ এন্দ এন্তি ইরোজন ৱার্ক্স এলোং রিভর্স ইন মণিপুর রিভর বেসিন' হায়বা প্রোজেক্ট অমা লুপা কোটি ৪৬০.৪২ চংনা পায়খৎলি। তুংকোয়না ঈচাউ থেংননবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা মতেং ওইগদবা ব্রহ্মপুত্রা বোর্ডনা শেম্বা মাষ্টর প্লান ওফ মণিপুর রিভর বেসিন অসি ফাইনেল ষ্টেজতা লৈরে।

১২৫. নিউ দিভেলপন্তে বেঙ্কনা লুপা কোটি ৬৫০ ফনদিং তৌদুনা EAPগা লোয়ননা "Rejuvenation of Lamphelpat Waterbody to alleviate Urban Flooding , providing sustainable water sources for Imphal City and Promoting Eco-Tourism"গা থবক চথরি।

১২৬. National Hydrology Project কী মখাদা দাতা repository Centre অমা ওইনা থবক তৌনবা State Water Informatics Centre লিংখৎলে প্রোজেক অসি ২০২৫গী সেপটেম্বর ফাওবদা লোয়শিন্নবা পানদম থল্লি।

## ৱাটর সপ্লাই

১২৭. ইকাইখুন্নজরিবা মেন্থরশিং, ষ্টেট অসিদা থক্লবা ঈশিং পীনবা অপুনবা শেনফম লুপা কোটি ৪,৩০০ রোম চংনা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি।

১২৮. জল জিবন মিসনগী মখাদা খুঙ্গংগী য়ুমথোংগী চাদা ৭৯.৫৯% অদি সহরগী য়ুমথোংগী চাদা ৯০% দা শিজিন্নবা য়ারবা টোটি কোঞ্জিন শল্লে অমদি ঈশিং পীরে।

১২৯. NDB গা শেন্থং গা লোয়ননা IMC গী Ward ১৬কী Sewerage Collection Treatment তৌনবগীদমক Integrated Sewerage System for City of Imphal Phase - II গী থবক লুপা কোটি ১,২৫৫ চংনা পায়খৎলি।

## ৱার্কস

১৩০. লুপা কোটি ১৭ চংবা Kamjong গী Infrastructure Development অমদি লুপা কোটি ৩০ চংবা কোলকটাগী সোল্ট লেকতা শাবা Manipur Bhawan গী থবক লোইরে।

১৩১. Externally Aided Projects কী মখাদা লুপা কোটি ৩,৬২২ রোম চংগদবা, ইম্ফাল সহরগী লম্বীশিং Rigid Paremant থাদুন ফগৎহনবগী থবক পায়খৎলি। EAP মখাদা লুপা কোটি ১,৬৬০ চংগদবা Imphal Ring Road শেন্থগী থবকসু হৌরে।

১৩২. SASCI Scheme গী শেন্থং গী মখাদা লুপা কোটি ১৭৪ চংগদবা Thin White Topping য়াওবা Rigid Pavement অমদি interlocking

pover block শিং থাদুনা চীংগী District Headquarter শিং লম্বী শেম্বগী থবকশিং পায়খৎলি।

১৩৩. NH-১০২ অমসুং NH-২০২ শন্নগদবা Shangshak Tengnoupal Road অসি Hard shoulder গা lane-২ দা পাকথোকপা অমদি ফিভম ফগৎনবগা থবক পায়খৎলে। প্রোজেক অসিগী পেকেজ-১ অমদি পেকেজ-২ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোটি ১,২৮০ গী Sanction ফংলে। লুপা কোটি ১,৮৫৯ রোম ওইবা পেকেজ ২ অমদি ৪ Sanction তৌনবা FDPR থাজিনখ্রে।

১৩৪. Asian Development Bank কী শেনথংগা লোয়ননা লুপা কোটি ১,৪৩৭.৪৪ চংনা ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং রোড শেমগৎপগী থবক চথরি।

১৩৫. Central Road Infrastructure Fund গী মখাদা লুপা কোটি ৩১৪.৩৯ চংনা লম্বী ৯২গী ফিভম ফগৎনবগী থবক পায়খৎলে।

## ট্রান্সপোর্ট

১৩৬. ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মপানদা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎপদা খুদোংচানবা খুদোংচানবা ষ্টেট লৈঙাক্কী viability Gap Funding গী মখাদা রুট অহুম হায়বদি Kolkata, Guwahati অমদি Dimapur ফাওবা Subsidized rateতা হপ্তা অমদা অনীরক পাইবগী অহেনবা ফ্লাইটশিং হৌদোক্লে।

১৩৭. ইং ২০১৮দা হৌদোকখিবা মতমদগী, মণিপুর হেল্লি সরভিসনা ষ্টেট অসিগী চীংগী অমদি মনুং হুনজিনবা মফমশিংগী শন্নহননবা রুট ৮দা পাইদুনা

মসিগী সর্ভিস লেপ্তনা চত্থরি। ইরাংনা শোকহল্লবা কনাগুম্বশিংনা লায়না অমদি খুদোংচানা চত্থোক-চৎশিন তৌবা য়ানবগীদমক ইম্ফাল চুরাচান্দপুর, আইজোল রুটতা হেলিকোপ্তর সার্ভিস, হাপ্তা অমদা অমখক্তমক লৈরম্বা অদু অনীরক্তা হেনগৎল্লে। মসিগা মাননবা ইম্ফাল জিরিবাম অমদি ইম্ফাল-লাইরৌচীং-দিমাপুর হায়রিবা রুটশিং অসিনা চত্থোক চৎশিন্দা অরায়বা ওইহল্লে। হায়রিবা রুটশিং অসিগী মথক্তা Regional Connectivity Service (RCS)-UDA ২.০ গী মখাদা, অতোপ্পা হেলিকোপটর রুট ৩ অমসু ওপরেট তৌরে। হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভমসিদা হেলিকোপ্তর সার্বিস অসিনা পুন্না ১০৬০ পাইদুনা ইম্ফাল অমদি জিরিবাম, চুরাচান্দপুর, আইজোল, মোরে, কাংপোকপী দিমাপুর অমদি উখ্রুলগী মীওই ১২,৭২৩ হোংদোক হোংজিন তৌখি।

## আর্বান প্লানিং এন্দ দিভেলপমেন্ট

১৩৮. প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা (অর্বান)গী মখাদা য়ুম ৫৫,৮০৪ শানবা সেঙ্কসন তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা য়ুম ১৪,৭৩১ শাবা লোইখ্রে। অর্বান লোকেল বোডি ২৭ মক্তা, পিএমএৱাই-য়ু ২.০ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা দিমান্দ এসেসমেন্ট তৌবা হৌরে।

১৩৯. দিনদয়াল অতয়োদয়া য়োজনা-নেস্নেল অর্বান লাইভলিহুদ মিসন অসি অর্বান লাইরবশিংগী পোভরটি অমদি মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং হন্থহন্নবা ইমপ্লিমেন্ট তৌরি। অর্বানগী য়ুমলৈজদশিংগী লৈফম চাফম পীননবা লৈফম অমা শারে, লোয়ননা মথৌ তৌহল্লে।

১৪০. PMSVA Nidhi মখাদা মসিনা launch হেক হৌদোকখিবদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা street vendor ১৩,৯৫১ দা লোন পীখ্রে।

১৪১. স্বাচ ভারত মিসন (য়ু) ২.০ গী মখাদা, অর্বান লোকেল বোডি ২৭ মক্তা ৱেট ৱেষ্ট প্রোসেসিং ফেসিলিটিশিং থম্নবগী অয়াবা লৈরে। কম্পোস পিট শাবগী থবক য়ু এল বি ৮ গী লোইরে অদুগা য়ু এল বি ১৪ গী না চথরি। Used Water (Waste Water) manage তৌনবগীদমক cesspool ১০ লৈরে। লোয়ননা ULB ১০ দা য়েন্থোকখ্রে। seat ১১১ য়াওবা Normal Public Toilet ৩০ seat ২৯ লৈবা Aspirational Public Toilet ৬ অমসুং seat ১২১ লৈবা Public Urinal ৩৩ শানবগী অয়াবা লৈরে।

১৪২. ইং ২০২৫ গী এপ্রিল ১ দগী অর্বান লোকেল বোডি ২৭ মক্তা প্রোপর্টি টেক্স ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা পান্দম থল্লি।

১৪৩. হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি প্রোজেক্টকি মখাদা লুপা কোটি ৮৫ রোম চংবা প্রোজেক্ট ১৬ লোইবা ঙমখ্রে লোয়ননা লুপা কোটি ৩৩৪ চংবা প্রোজেক্ট ৬ লোইগদৌরে অমদি লুপা কোটি ৯২ চংবা প্রোজেক্ট ৩ গী থবক তোঙান-তোঙানবা তাঙ্ককতা লৈরে।

১৪৪. Atal Mission for Rejuvenation and Urban Transformation of water Bodies গী মখাদা ৱাটর সপ্লাই, রিজুভিনেসন ওফ ৱাটর বোদিস অমসুং পার্ক প্রোজেক্টশিংগীদমক লুপা কোটি ১৬০ অয়াবা পীরে ৱাটর বোডি রিজুভিনেসনগী প্রোজেক্ট ১৮ গী খুমাং চাওশিল্লী থবক চথরি। AMRUT ২.০ গী মখাদা ১০০% central Assistance কা লোয়ননা টাউন ৬ কি GIS-based Master Plan শেম শারি। লেমহৌরিবা টাউন ২১ অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেড ক্বাটর ১৪ অমসুং মোরেগী GIS-based Master Plan শেম্না

ষ্টেট ফন্দগী প্রোগ্রেস লৈনা চথরি। ইম্ফাল অমদি থৌবালগী 'রিস্ক ইনফোর্ম মাষ্টর প্লান' অমসুং 'কমপ্রিহেন্সিব সিটি মোবিলিটি প্লান' শেম্নবা নোটিফাইদ তৌখ্রে।

## রুরেল দিভেলপমেন্ট

১৪৫. মহাত্মা গান্ধি নেস্নেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্তি স্কিম চৎনবা হৌদোকখিবদগী ইং ২০২৪ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা ১৪৮,৮৪ পার্সন দেজকী ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেট তৌদুনা, ইমুং লাক্ষ ৬.১৮ দা খুদোংচাবা ফংহনখ্রে। লৈবাক্কী ওইনা লৈরিবা এভরেষ্ট দেজ ওফ ইমপ্লোইমেন্ট অসি নুমিৎ ৫২.০৮ ওইরিবা অসিগা চাংদম্নবদা, ষ্টেট অসিগী ইং ২০২৩-২৪ গী এভরেষ্ট দেজ ওফ ইমপ্লোইমেন্ট অসি নুমিৎ ৩১.১৯ ওইরি। মসিমক ষ্টেট অসিমক্কী ওইরিবা লো এন্দ ওর্ডরগী ফিভম অসি য়েংলগদি থোইদোক্লা মায়পাকপা অমনি।

১৪৬. এম জি এন আর ই জি এ গী এসেটশিংগী ইনফোর্মেসন মেনতেন তৌবদা হেন্না ত্রান্সপরেন্সি লৈহন্নবগীদমক বেঙ্কশিং অমদি জিআইএস বেজ মেনেজমেন্ট সিস্তেমগী খুত্থাংদা ৱেজেজ পীবা, মেটরিয়েল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব এক্সপেন্সেস তৌবা য়াওনা মখল মখাগী সিস্তেমশিং চৎনরে।

১৪৭. ইং ২০২৪-২৫গী মনুংদা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা কিলোমিটর২৯ শাংবা লম্বী অমগা লোয়ননা লম্বী অমদি থোং ৮ গী থবক লোয়শিনবা ঙমগনি। পুন্না হেনগৎলকপদা কিলোমিটর ১১,৬৭৩ শাংবা লম্বী শেম্নবগী থবক ২,১২৪ সেঙ্কসন তৌবগী মনুংদা থবক ১৯১৯ পি এম জি এস ৱাই I অমদি II গী মনুংদা লোইশিনবা ঙমখি। ষ্টেট অসিগী ওইনা কিলোমিটর ৮১২.৫০ শাংবা লম্বী পি এম জি এস ৱাই-III গী মখাদা শেম্নবা ইনপ্রিন্সিপাল এপ্রুভেল তৌখ্রে।

১৪৮. পি এম এ ৱাই-জি গী মখাদা য়ুম ৩৭,৬৭৬ শানবগী পান্দম থম্বগী মনুংদা য়ুম ৩০৪৬৭ শাবা লোয়রে। পি এম এ ৱাই-জি স্পিসিয়েল পেকেজকী মখাদা ইরাংনা শোকহল্লবা ইমুংশিংগী য়ুম ৭০০০, ইং ২০২৪-২৫ গী মনুংদা শানবগী অয়াবা লৈরে।

১৪৯. দিন দয়াল উপধ্যয়া-গ্রামিন কৌসাল য়োজনগী মখাদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী কেন্দিদেট ৬৯১০ ত্রেন তৌখ্রে অমসুং কেন্দিদেট ৪২৬০ দা রিগুল্যর এমপ্লোইমেন্ট পীখ্রে।

## সোসিএল ৱেলফিয়ার

১৫০. ইমা নোংথাং লৈমা য়াইফ তেংবাং স্কিমগী মখাদা স্পিসিয়েল দ্রাইবশিং পাংথোক্তুনা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেসদ পার্সনশিংগী মরক্তগী ইল্লিজিবল ওইবা ৫১৪ খনগৎলে অমদি থাদা লুপা ৫০০। ৫০০ গী শেনফম থা অহুমগী ওইনা বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখ্রে। মসিগী মথক্তা ষ্টেট সেলেক্সন কম্মিটিনা এপ্লিকান্ট ৪৫,৪৮৫ রিকমেন্দ তৌরে, বেনিফিটশিং ২০২৪-২৫ লোয়দ্রিঙৈদা য়েন্থোক্কনি।

১৫১. সমাজগী, শেল থুমগী অমদি মীনুংশিগী তেংবাং ৱাৎলবী লুখ্রাবীশিংদা লৈফম চাফম পীননবা লুপা কোটি ৮ চংনা ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা 'সেলটর এন্দ লাইভলিহুদ সেন্টর ফোর ৱিদোজ' শাবগী থবক চথুরি। থবক থিরিবা নুপীশিংদা শোয়দা ঙামদবা লৈফম চাফমগী খুদোংচাবা পীননবা ২০২৪-২৫ গী মনুংদা SASCI মখাদা লুপা কোটি ১৪৯ চংনা লম্ফেল, চুরাচান্দপুর, কাংপোকপী, ইরোইশেম্বা, জিরিবাম, ককচিং, সেনাপতি, তামেংলোং, মোইরাং অমদি উখ্রুলদা ৱার্কিং ৱুমেন হোষ্টেল ১০ শাবগী থবক পায়খৎলগনি।

১৫২. Scheme for Special Assistance to States for Capital Investment (SASCI) মখাদা উখুলদা ২০২৪-২৫ গী মনুংদা 'দ্রগ দি-এদিক্সন সেন্টর' শাননবা লুপা কোটি ২ অয়াবা পীরে। মসিনা সবসতেন্স শিজিন্নবনা থোকহনবা দিসওর্দরশিং লাকশিন্নবা মথৌ তাবা প্রোফেস্নেল সপোর্ট পীবা ঙম্লগনি।

১৫৩. Mission Vatsalya Scheme গী মখাদা চাইল্ড কিয়র ইন্সটিট্যুসন ৮৬ তা দেসটিট্যুট চিলদ্রেন ২৮২৮ লৈহল্লি।

১৫৪. "Financial Assistance and Support Service to Victims of Rape : A Scheme for Restorative Justice" মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ভিক্তিম ৫ অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী ভিক্টিম ৭ তা লুপা লাক্ষ ২২ গী শেলগী তেংবাং পীখ্রে।

## লেবর ৱেলফিয়ার, ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন এন্দ ইন্টরপ্রিন্যুরসিপ

১৫৫. থবক শুরিবা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক অসিনা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। হৌজিক ফাওবদা প্রধান মন্ত্রি শ্রম য়োগি মন্ধন নেস্নেল পেন্সন স্কিমগী মখাদা অন ওর্গনাইজ ৱার্কর ৬০৩৫ অমদি ৪.৫৩ লাক্ষনা e-SHRAM পোর্টেলদা মীং চল্লে।

১৫৬. গভর্নমেন্ট আই টি আই সেকমাইগী অহানবা সেসন ২০২৪-২৫ হৌখ্রে। তোঙান তোঙানবা কেম্পস প্লেসমেন্টকী মখাদা মহৈরোয় ১০০ হেন্না লৈরি। ইন্দিয়া স্কিলস কম্পিটিসন ২০২৪ দা মণিপুরদা শরুক য়ারুই। ষ্টেট অসিদগী শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা বেক্করিদা গোল্ড মেদল অমদি অতোপ্পা অমনা ইলেক্ট্রিকেল ইন্সতোলেসন্দা মেদালিয়ান এক্সিলেন্সকী মনা ফংলকখি।

১৫৭. প্রধান মন্ত্রি কৌসাল বিকাস য়োজনা ৪.০ গী মখাদা ইন্টর্নেল্লি দিসপ্লেস পার্সন ৬০৬১ খনগৎতুনা স্কিল দিভেলপমেন্ট ত্রেনিং পীখিবগা লোয়নন‌া হীংনবগী খুদোংচাবা মচাকশিং ফংহনখ্রে।

১৫৮. Skill Acquisition and Knowledge Awareness Livelihood Promotion গী মখাদা এস সি। এস টি নুপী ১০০ দা স্কিল দিভেলপমেন্ট ত্রেনিং পীখ্রে।

## টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দস্ত্রিজ

১৫৯. মণিপুরগী হেন্দলুপ এন্দ হেন্দিক্রাফসকী পোত্থোকশিং হেনগৎহন্নবা চিফ মিনিষ্টর য়ার্ন স্কিম ২০২৪-২৫ দা হৌদোকখ্রে। মসিনা সেন্ত্রেল সবসিদি ওইনা লৈরিবা চাদা ১৫ অসিগী মথক্তা চাদা ২০ গী অহেনবা সবসিদি পীদুনা মণিপুরগী হেন্দলুম ৱিভরশিং অমসুং আর্টিসান লাক্ষ ৩.১৮ দা কান্নবা পীগনি।

১৬০. মণিপুরগী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফসকি পোত্থোকশিংগীদমক এক্সপোর্ট এসিলরেসন মিসন অমা ফ্রেম তৌবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা য়ু এ ই দা পাংথোকপা HATHKARGHA ২০২৪ Business Mission দা মণিপুর শরুক য়াখি। মিসন অসিনা লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা মণিপুরগী হেন্দলুম ৱিভরশিং অমদি আর্টিসানশিংদা হকথেংননা কান্নবা পীরগনি।

১৬১. ইং ২০২১-২২ দগী ২০২৪-২৫ ফাওবদা নেস্নেল হেন্দলুম দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা লুপা কোটি ১২৯.৬৭ গী শেনফম কায়থোক্লুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কী হেন্দলুম ৱিভর ৫৩০০০ তেংবাংনবা রোড মেপ অমা শেম্লে।

১৬২. সেনাপতি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অনি অসিদা অনৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইসটেটশিং লীংখৎনবা লুপা কোটি ২১.৯৪ চংগদবা প্রোজেক্ট অমা অয়াবা লৈরে।

১৬৩. SASCI গী মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তেরা উরক্তা লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইসটেট অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী সলেমথরদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ইসটেট কি অহেনবা ইনফ্রাষ্ট্রক্টচর য়ুনিট ৪০ শানবা অমদি হৌজিক লৈরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ইন্দষ্ট্রিয়েল ইসটেট অসিদা এফ্লুএন্ট ট্রিটমেন্ট প্লান ৩ শানবা লুপা কোটি ৩৬ সেঙ্ককসন তৌরে।

১৬৪. ইং ২০২৪-২৫ গী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরস এমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন প্রোগ্রামগী মখা লুপা কোটি ১৮.২১ গী মার্জিন মনিগা লোয়ননা প্রোজেক্ট ৬৬৫ শেমদুনা মীওই ৭৩১৫ দা থবক পীনবা খাদি এন্দ ভিল্লেজ ইন্দষ্ট্রি কম্মিসন্না পান্দম অমা থল্লি।

১৬৫. SASCI গী মখাদা ইম্ফালগী নিলকুথিদা য়ুনিট মোল শাননবা অহানবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা লুপা কোটি ৭৪.৫০ থাদোকখ্রে।

## টুরিজম

১৬৬. ষ্টেট অসিদা খুন্দামীন্নরিবা কম্ম্যুনিটিশিংগী মরক্তা অপুনবগী মশক হেন্না চেৎশিন্নবা অমদি অমনা অমগী মরক্তা গ্যান তান্নবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সঙ্কৃটিগী পুক্কে অসি উৎনবগীদমক Manipur-United by Diversity" হায়বা থিম অসিদা ১st Manipur Indegenous People's Cultural Exchange Festival ২০২৪, Kamjong District কি চাদোংদা পাংথোকখ্রে। ৪ শুবা ষ্টেট লেভেল বরাক ফেষ্টিবেলসু 'প্রিজর্ব এন্দ চেরিশ' হায়রিবা থিম অসিদা কাথিকো কারোংদা পাংথোকখ্রে।

১৬৭. Best Tourism Villages Competition গী ২ শুবা ইদিসনগী হেরিটেজ কেটেগোরিদা বেষ্ট টুরিজম ভিলেজ হায়বা লেমজনীংঙাই ওইবা মিংথোল অন্দ্রো দা পাখি।

১৬৮. মোইরাংদা আইকোনিক রিজোর্ট শানবা, থাঙ্গদা ইকো এদভেচরগী কম্পোনেন্টশিং শেমগৎনবা অমদি তাকমুদা ফ্লোটিং কেটেরিয়া য়াওনা ৱাটর বেস ইকো এদভেনচর এক্তিভিটিশিংগী মচাকশিং শেমগৎনবা ২০২৪-২৫ গী ওইনা লুপা কোটি ৮৯.৪৮ গী প্রোজেক্ট কোষ্ট ওইবা 'লোক্তাক লেক এক্সপরিয়েন্স' হায়বা প্রোজেক্ট অমা SASCI গী মখাদা পায়খৎপগী অয়াবা লৈরে।

১৬৯. ইং ২০২৪-২৫ দা লুপা কোটি ৪.৪১ চংগদবা সেনাপটি গী কোইদে বিসো ভিল্লেজদা বরাক হেরিটেজ ফেষ্টিবেল অমসুং টুরিজম ইনফ্রাষ্ট্রক্টচরশিং শেমগৎনবা এন ই সিনা অয়াবা পীরে।

১৭০. হৌজিক লৈরিবা ইম্ফাল হোটেলগী ইনফ্রাষ্ট্রক্টচরশিং ৫ ষ্টার কেটেগোরি য়ৌনা শেমগৎনবা অমসুং মসিগী এসেটশিং পিপিপি মোদেলদা লোইনা অমদি য়েংশিন্নবা লিজ দিদ খুৎয়েক পীনখ্রে।

## স্পোর্টস

১৭১. ৬৩ শুব সুব্রোতো কপ ইন্তরনেসনেল ফুটবোল তুর্নামেন্ট থোইদনা মণিপুরগী U-17 Boys Football Teamনা ইতিহাস শেমখ্রে। নুপী ফুতবোলদা, Senior Women's National Football Championship ২৩ লক champion ওইবা ঙমলে। ৬৮ শুবা National School Games তা U-14 Swimming Championship মণিপুরী নুপামচাশিংনা Team

Championship title লৌদুনা শীংথানিংঙাই ওইবা পান্দুপ অমা পুরপা ঙমখ্রে।

১৭২. ঐখোইগী শান্নরোয়শিংনা লেপ্তনা মায়পাকপা ঙল্লিবশি অসুম চৎথবা ঙম্নবা 'One Village, One Playground' গী থৌরাং হৌদোকখ্রে। Grassroot level দা লৈরিবা talent মশক খংদোকপগী platform অমা শেম্নবা অমদি State অসিগী মফম পুম্নমক্তা Sporting Culture অমা থম্নবা Assembly Constituency খুদিংমক্তা শান্নবুং অমমম শেমগৎনবা মসিগী pilot project অসিনা পান্দম থল্লি। State অসিবু নত্রগা লৈবাক অসিবু Professional level শিংদা মহুৎ শিল্লবা থবক ফংদ্রিবা শান্নরোইশিংদা livelihood opportunity শিং পীনবা 'Chief Minister's Sports Person Livelihood Guarantee Scheme' কৌবা থৌরাং অমসু লৈরে।

১৭৩. State অসিদা ফুটবোল গ্রাউন্দ ১১ শেন্বা অমদি মণিপুর ফুটবোল একাদমি লিংবগী অয়াবা ভারত সরকারনা পীরেNESID OTRI গী মখাদা Multipurpose Indoor Stadium অমা খুমন লম্পাক্তা শাবগী অয়াবসু পীরে। Khello India গী মখাদা, লুপা কোটি ১৬.৬৪ চংনা মণিপুরগী Block ৮দা RCC Gallery য়াওবা ফুটবোল ফিল্ডশিং শাগদবগী মনুংদা ২ শাবা লোইদুনা শঙ্গাখ্রে অদুগা ২ অমনা শঙ্গানবা শেমশারে। Scheme অসিমক্কি মখাদা লুপা কোতি ৫ চংবা RCC gallery য়াওবা Swimming Pool অমা বিষ্ণুপুরদা শাবা অমদি Mayang Imphalদা Multipurpose Hall অমা লুপা কোতি ৬ রোম চংনা শাবগী থাবকসু লৌখৎলে।

১৭৪. Khelo India Schemeগী মখাদা Khelo India District Centre ২৬ চল্লাইরি। মসিনা Talent লৈবা নহাশিং মশক খংদোকপা অমদি শেন্নদা তেংবাং পীদুনা অশা লৈবা athlete শিংদা অৱাংবা থাক্কী training অমদি facility শিং পীরি।

## আর্ট এন্দ কলচর

১৭৫. Azadi ka Amrit Mahotsavকি মখাদা Har Ghar Tiranga Campaign গী শরুক ওইনা Tiranga Concertশিং, Tiranga Selfie অমসুং Tiranga Convas শিং শিল লাংখি।

১৭৬. ঐখোইগী ইনাকখুল্লবা কলা সংসকৃতিগী পুক্কে অমদি মখল-মখাগী art formশিং উৎথোকপা ওইনা Ho chi Minh city দা পাংথোকখিবা NAMASTE VIETNAM FESTIVALদা মণিপুরগী artist শিং অমদি Official শিং শরুক য়ারুই।

১৭৭. জাতিগী থাক্তা মণিপুরি artist শিংগী platform অমা পীনবা Guwahati দা Group Art Exhibition শিনখি অমসুং তোঙান-তোঙানবা cultural program শিং Kolkata অমদি Agartala দা পাংথোকখি। কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রামশিং পাংথোক্নবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং উত্তরপ্রদেশ সরকারগা সহি তৌনখি।

১৭৮. Langthabal Old Palace তা লৈবা Historical monument শিং হৌজিক্তি মীয়ামদা খুৎশিন্নরে। মালেমগী থাক্কী tourist destination অমা ওইনা শেমগৎপগী লম্বী অমা শেন্লে। লৈবাক নুংশিবগী অমদি লৈবাক্কীদমক কখোকপগী অৱাংবা ৱাখল্লোন নৌহৌননা হিংগৎহন্নবগী অমসুং হেন্না পোকহনবা ঙম্নবা 'Chahi Taret Khuntakpa ঐ কৌবা

documentary অমা Maharaja Gambhir Singh গী লৈখিবগী নিংশিং থৌরমদা উৎখ্রে।

১৭৯. Chief Ministergi Artistesingi Tengbangগী মখাদা artiste৮৯১দা চহি ২০২৪-২৫দা pension গী খুদোংচাবা ফংলে। Cultural Team অমদা International অমদি National Festival শরুক য়ানবা তেংবাং পীখ্রে। Training তৌবগা লোয়ননা অনৌবা producton পুথোক্লবা Cultural Organisation ১৪৮দা শেলগী মতেং পীখ্রে। লাইরিক ফোংনবা, instrument অমদি costume শাবগী ৱার্কসোপ পাংথোক্লবা মীওই ২১দা শেলগী মতেং পীখ্রে। Instrumentশিং লৈনবা মহৈরোয় ২৮৬তা তেংবাংখ্রে অমসুং Award to Distinguished Artistes হায়বা scheme গী মখাদা National Awardee ৬ অমসু কান্নবা ফংহনখ্রে।

১৮০. লমদম অসিগী শক্লাইরবা অমদি ইন্টরনেস্নেল ফিগর অমা ওইনা মীয়াম্না শকখংলবা ডা রতন থিয়ামদা মহাক্না আর্ট এন্দ কলচরবু য়োকখৎনবা অমদি ঙাক শেন্দুনা থম্বগী লৌরিবা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং অদুবু শকখংবা ওইনা লাইভ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ লাম্থোকখ্রে

১৮১. Eikhoigi Imphal International Film Festival পাংথোক্কুনা Manipur অমদি International Filmশিং উৎখ্রে।

১৮২. PM-DevINE গী মখাদা, Manipur University of Culture গী infrastructute শেমগৎনবগী থবকশিং পাইখৎনবা লুপা কোতি ৩১.১৮ sanction তৌখ্রে।

১৮৩. Gurgaonদা শেমগৎলিবা Manipur Institute of Performing Arts কি শেমগৎপগী থবক চাদা ৭০ রোম চংশিল্লে।

১৮৪. 'Infrastructure Development of Heritage Complex Rajbari গীদমক Ministry of DoNER না লুপা কোতি ১৪.৭৬ sanction তৌদুনা অয়াবা পীরে। চাদা ২০ চাংগী থবক হান্ননা লোইখ্রে।

## জি এ দি

১৮৫. প্রজা অমদি সরকার অনিগী মরক্তা অৰাবা লৈতনা ইন্টরেক্সন তৌবা য়ানবা, State Secretariate না 'Swagatam' হায়বা Cloud based application অমা হৌদোক্কুনা মীয়াম্না মসিগী খুত্থাংদা লৈঙাক্কী officialশিং উনবগী অয়াবা লৌনবা নীংথিনা য়াৎথোক্লবা থৌরাং অমা পাইখৎলে।

১৮৬. Store দা লৈবা item শিং মওং চুম্না অমদি মনুং-মপান নাইদনা মেনেজ তৌবা য়ানবা হৌদোকপা 'Online Inventory Management System মায়পাকনা চৎনরে।

১৮৭. Manipur Secretariat কি employee শিংগী ওইনা Radio Frequency identification Based Identity card হৌদোক্লে।

## রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট

১৮৮. Sendai Framework for Disaster Risk Reduction চৎননবগী Scheme পায়খৎলি অমদি backward district ১১৫ মশক খংদোকপগী মনুংদা খুদোংথিবা থোককনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী District Disaster Management Authority শিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি।

১৮৯. Disaster Management গা মরী লৈনবা issueশিং থেংননবা participant ৪০০০ রোমদা training পীখ্রে। 'Up-scaling Aapda Mitra Scheme গী মখাদা খনগৎলবা Community volunteer

৮০০দা তোঙান-তোঙানবা Disasterগা মরী লৈনবা issue শিংদা training পীখ্রে।

১৯০. ২০২৪গী মে থাদা মমাংদা অমুক্তা থোক্তবা মওংদা তাখিবা লেন্না মরম ওইরগা চাউনা মাংহনখ্রবা ইমুং ৫০,০০০রোমদা লুপা কোতি ৪৫ রোমগী হায় ক্বালিটি সিজিআই সিটশিং ঐহাক্কী লৈঙাক্না খুদক্কী ওইনা ফংহনখি।

১৯১. ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা সাইক্লোন রেমালনা অমদি অকনবা কুমগী নোংনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা খুদক্কী ওইনা তেংবাং পীনবা লুপা কোতি ৩০ সু কায়থোকখি।

## এদমিনিস্ট্রেটিব রিফোর্ম এন্দ দি পি

১৯২. চিয়ারপার্সন অমা হাপ্তুনা মণিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন মথৌ তৌহল্লে।

## ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি

১৯৩. ইং ২০২০দগী হেন্না ট্রান্সপরেন্সি অমদি ইফিসিয়েন্সি লৈননবা ষ্টেট লৈঙাক শিনবা থুংনা ই-ওফিস চৎনবা হৌখি। হৌজিক্তি মসি, লৈঙাক্কী কলেজ অমদি স্কুল ৪০ দসু চৎনরে। মসিনা ক্রাইসিস  মনুং অসিদা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল শিংনা মখোয়গী মথৌ অদু অরাপ্পা মফমদা লৈরবসু লেপ্তনা পাংথোকপা ঙমহল্লি।

১৯৪. মণিপুরদা দাইনামিক ওহবা আই টি ইন্দষ্ট্রি অমা শেমগৎপা ঙম্নবা আই টি স্পিসিয়েল ইকনমিক জোন অসি লিংখৎখিবনি। আই টি-এস ই জেদ গী শরুক ওইনা, Manipur Infotech eNabled Development (MIND) Project গী ৱার্ল্ড বেঙ্ক ফন্দিং গী থৌরাং লাকখিবনি। লুপা কোতি ৪১৪ চংবা প্রোজেক্ট অসিনা দিজিটেল স্কিলস অমদি ওন্তরপ্রিন্যুসিপ প্রমোট তৌরগনি। প্রোজেক্ট অসি হৌজিক্কী ওইনা লিগেল লোন সাইনিং ষ্টেজদা

লৈরি। আই টি এস ই জেদ প্রোজেক্টকী বিল্ডিং নম্বর ১ শাবা লোয়রে অমদি শঙ্গানবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে। বিল্ডিং অসিদা সিট ১০০০ লৈবা বি পি ও সেন্টর, ষ্টেট দাটা সেন্টর অমসুং সেক্যুরিটি ওপরেসন্স সেন্টর অমদি ইন্টরেষ্ট লৈবা লোকেল ফার্মশিংগী কো ৱার্কিং স্পেস লৈগনি। পি এম দিইভিআইএনইগী মখাদা বিল্ডিং নম্বর ২ গী ওইনা লুপা কোটি ১২০ গী ফন্দ থাদারক্লত্রবগী অয়াবা লৈরে। রেসিদেন্সিয়েল এপার্টমেন্ট কমপ্লেক্স ১৫৪ শাবগী থবক চংথরি। ইনোভেসন, ইন্তরপ্রিন্যুরসিপ প্রমোট তৌনবা অমদি নহাশিংবু খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজিগী ত্রেনিং পীনবা আই টি এস ই জেদগী নোন প্রোসেসিং জোন্দা সেন্টর ফোর ইনভেন্সন, ইনোভেসন, ইনক্যুবেসন এন্দ ত্রেনিং (সিআইআইআইটি) লীংখৎলি। টেক্নোলোজি লেবকী ফিজিকেল ষ্ট্রক্টচর শাবা লোয়রে। মণিপুর টেক্নোলোজি ইনোভেসন হব সেদ শাবা লোয়রে অমদি ইন্তরিয়র ৱার্কশিং লোয়শিনবগী থাক্তা লৈরে। হৌজিকমক্কী ওইনা মসি মণিপুর আইটি পার্কতগী চল্লাইহিরি। মসিগী খুত্থাংদা ফ্রেস ৱাটর পর্ল ফার্মিং অমসুং বনানা ফাইবর প্রদক্টশিংগী অনৌব বিজিনেসশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা এরিয়াশিংদা চংশিল্লিবা লৈঙাক্কী ফন্দিং ওইনা লুপা কোটি ৩.৮৮ ফংলিবা ষ্টার্ট অপ ৫০ না মথৌ তৌরি।

## সেরিকলচর

১৯৫. সিল্ক সমগ্রা-II গী মখাদা বেনিফিসরি ২,০০০ হেনবদা সেরিকলচর সেক্টরদা এমপ্লোইমেন্টকী খুদোংচাবা পীনবা সেরিকলচর প্রোজেক্ট ৪ চল্লাইরি। চৎলিবা পেরদ অসিগী মনুংদা ফার্মর ৪৯০ রোমদা তেংবাং ফংহনখ্রে অমদি ৪০৩ ত্রেনিং পীখ্রে।

## লেন্দ রিছোর্সেস

১৯৬. কম্প্যুটরাইজ তৌরবা লম পুন্নমক্কী লমগী খজনা থিবা অসি হৌজিক্তি ওন লাইনদা তৌবা য়ারে।

১৯৭. অচৌবা দিভেলপমেন্ট ৱার্ক্সশিংগীদমক মথৌ তাবা লম লৌশিনবগী থবক্তা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডরদা ফেন্সিং তৌনবা অমদি লন্থী শেম্নবগীদমক লম লৌশিনবগী থবক পায়খৎলি।

১৯৮. হান্ননা লৈরবা মেপশিং কেদেস্ত্রেল মেপশিং ওইনা দিজিতাইজেসন তৌবগী থবক চাদা ৯০ হেন্না লোয়রে। লমগী প্লোটশিংগী ত্রান্সপরেন্ট আইদেন্তিফিকেসন অমদি ভেরিফিকেসন তৌবা য়ানবগী থবক ওইনা দিজিটাইজ তৌরবা মেপশিংগা হান্ননা লৈরবা লেন্দ রেকোর্ডশিংগা পুনশিন্নবগী থবক চথরি।

## কোওপরেসন

১৯৯. তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পাংথোক্লবগীদমক প্রাইমরি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিট সোসাইটিজ (পিএসিএস)২৯৯ না মোদেল বাই লোশিং শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পাংথোকপা ঙমহল্লে। মখা তানা ষ্টেট অসিগী পি এ সি এস১৪০ দা অয়াবা পীরে অমদি লাইসেন্স পীদুনা ফর্টিলাইজর রিটেল্লরশিংনা ওইনা থবক তৌহল্লে। মসিগী মনুংদা পিএসিএস ৪০ বু প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্রিধি কেন্দ্রশিং ওইনা অপগ্রেদ তৌরে।

২০০. হান্না পি এস সি এস লৈত্রিবা পঞ্চায়টশিং অমদি খুঙ্গংশিংদা অনৌবা মলটিপরপস পিএসিএস লীংখৎপগী স্কিমগী মখাদা ষ্টেট অসিদা অনৌবা মল্টিপর্পস পিএসিএস ৬৭ অমসু শেল্লে।

২০১. নেস্নেল কোওপরেটিব দিভেলপমেন্ট পিসিকলচর প্রোজেক্টকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ৪ গী ফিসরি কোওপরেটিব সোসাইটি ১৬৩ দা লুপা কোটি ২০.৮৭কী ফিসরি লোন পীখ্রে।

## ইলেক্সন

২০২. লোক সভাগী ১৮ শুবা জেনরেল ইলেক্সন মায়পাক্লা পাংথোকখ্রে। মশাগী লৈফমদা লৈজদ্রবা ইলেক্তরশিং নত্রগা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবশিংগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ১০ দা স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসন ৯৪ হাংদোকখি। দিসপ্লেসদা ইলেক্তর ১৮৬২০ না অসিগুম্বা স্পিসিয়েল পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা পীবদা, ইলেক্তর ১০৬৬৪ না মখোয়গী ভোট থাদনখি।

২০৩. ইং ২০২৫ গী জনুৱারি ১ ফাওবগী ওইবা স্পিসিয়েল সম্মরি রিভিজন ওফ ফোটো ইলেক্তোরেল রোলস ২০২৫ মায়পাক্লা পাংথোকখ্রে। অনৌবা ইলেক্তর ২৯৪৬৮ হাপচিন্দুনা ফোটো ইলেক্তোরেল রোলস অসিদা পুন্না ইলেক্তর লাক্ষ ২০.৫৪ য়াওরে। মসিদা চহী ১৮–১৯ কাংলুপকী ইলেক্তর ১৩,৩০৫ য়াওরি অমদি প্রোসিদ্যুর মপুং ফাদবা অমদি তোঙান তোঙানবা মরমশিং লৈবা ইলেক্তর ৯৭৪১ গী মমিং
ককথৎখ্রে।

২০৪. ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসননা ষ্টেট গভর্নমেন্টকা তান্নদুনা লোকেল বোডিশিংগী ইলেক্সন পাংথোকপগী মতমশিং লেপথোক্লবা হোৎনরি।

## আই পি আর

২০৫. ইং ২০২৩–২৪ গী ওইনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী গ্রান্টকী শেনফম লুপা লাক্ষ ৩ দগী লাক্ষ ৫ দা হেনগৎখ্রে। মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট

য়ুনিয়ন, চুরাচান্দপুরদা লুপা লাক্ষ ১ গী শেনফম অহেনবা গ্রান্ট ওইনা পীখি। ওল মণিপু ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগা খুৎশম্নরগা নুপী জর্নেলিষ্ট ৩০ শু শরুক য়াবা টুর অমা পোট ব্লেয়রদা লৈবা কলাপানি মেমোরিয়েলদা চৎখি।

## সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

২০৬. থবক ফংদ্রিবা নুপী২০০ গী ওইবা "1 week Entrepreneurship Development Program on Livelihood Training" and "Food Science and Technology" গী প্রোগ্রাম ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাংথোকখি।

## ৱারোইশিন

২০৭. ইকায় খুম্নজরিবা মেম্বরশিং, মশক থোক্লা মহৈ য়ানবা চহী অমা ওইহন্নবগীদমক ইকায় খুম্নজরিবা মেম্বর পুম্নমক্লা থৱাই হকচাং য়াওনা তেংবাংবীরক্কনি হায়বসি ঐহাক্কী অচেৎপা থাজবনি।

২০৮. ঐহাক্লা থাজে মদুদি চহী চা কয়া পুন্না তেংবাংনদুনা লৈমীন্নবগী, অপুনবগী অমদি নুংশি চান্ননা হীংমীন্নবগী অমত্তা ওইবা লীচিং অসি অনৌবা চহী অসিনা হেন্না চেৎশিনহন্দুনা তংদু লৈতাবা অমদি মাংজিল থাবা মণিপুর অমা শেম্নবগী য়ুন্থম অমা থোল্লগনি।

**'থাগৎচরি, জয় হিন্দ'**